মৈতৈ খুঙ্গং

D ... TERED

02,2 MAT
J8

মৈতৈ খুঙ্গং

কোংখবা—

পব্লিসিটি ডিপার্টমেন্ট

মনিপুর এডমিনিষ্ট্রেসন।

অইবা—

শ্রীমতিলাল সিংহ

এমঃ ডিঃ ইউঃ আর্টিষ্ট, ইম্ফাল।

স্বত্ব পুরমক মণিপুর এডমিনিষ্ট্রেসেনগীনি।

University-Centre of Post

Accession No:

Call No:—

কচ্চবা

ভারতকী ঙমখৈ তাকলিবী,
চীংলোন্না ফীজেৎনরিবী ;
মহৌশা খুৎশেম্না লৈতেংবী,
মণিপুর স্না লৈমরোল !
পলেম ! নংগী খুয়াদা,
অনৌবা থৌন্নাংগী মচাকওই,
"মৈতৈ থুঙ্গং" মচাসে
কচ্চরি লাইবকথীবা নচানা ॥

শ্রীমতিলাল সিংহ
তাং ২৯।১২।৫৮ ইং
এমঃ ডিঃ ইউঃ আর্টিষ্ট
ইম্ফাল ।

রাহৌদোক

"মৈতৈ খুঙ্গং" হায়বা লীলা অসি কমুনিটি ডেভেলপমেণ্টকা মরমদা ইজরবনি। লীলা অসি সেন মরিদা চংবা লীলানি। সেন মরি অসিনা সিন ১৫ থোক্লা শান্নরকপনি। ড্রামা অমা মপুং ফানা ইবা তারক্লবদি ড্রামা অমদা চংবা রস পুম্নমক অদু ইদবা য়াদবনিনা য়ারিবনখে যেংদুনা ইজরবনি অদুগা ষ্টেজগী শেমদোক শেমজিন, আর্টিষ্টশিংগী ফিজেৎ ফাওবা হোংবদা কাইদনবা য়েংদুনা ইজরবনি লাইব্রিক অসি ইজবগী মরম অমনা:

নোংমা তাং ১৯ ৬ ৫৮ ইংগী পুং ১ তাবা মতমদা ডাক্তর শ্রীয়েংখোম ভাগা সিংহ, মনিপুর মেলেরিয়া অফিসারগা লোইননা কাংচুপ চিংখোং ময়াদা লেবা খুল অমা ইন্সপেক্সন চৎপা মতমদা, ঐস্ন পোকপদগী খুল অসি অমুক্তা উদ্রি, থংদ্রি হায়দুনা ভদ্রলোক অসিগী মতুং ইন্দুনা খুল অদু য়েংবা চংলমই। অদুবু ইম্ফাল সহরদগী মাইল ৯১০ দা লাপ্পা লম অসিদা গাড়ী তোংদুনা চংবা য়াবা লম্বী অমত্তা লেরমদে ঐখোইনা কয়া হংলবগী মতুংদা উপাই লৈত্তুনা গাড়ী থনম্লগা, খোংউপ লৌথোক্তুনা ফী তাখৎতুনা ঈশিংখোং কয়া লান্দুনা খুনয়াই য়োনবা চংলক্লমই হায়রিবা খুনয়াই অসি য়োনা চংলকপা মতমদা লম্বী শোয়োক অমদি লৈরক মচা অমত্তা চৎপা, চংবা য়াদবনা মীগী ইশ্খোল অমদগী অমদা ফাওদুনা, খোংবান কয়া লান্দুনা, চোংদুনা খুনয়াই ফাওবা চংই। চৎনা চৎনা ভদ্রলোক অসিদা ঐনা ঐগী পুন্সিদা ঙক্লা থোক্লবা, চাওখৎপগী মরমদা খোংথাং থিল্লিবা, খুঙ্গং অসিগী চৎনবী ফিভম্মচিংবা কয়া হংখি অমস্তুং ভাবদা অঙকপা ওইনা থোকখি। হায়না হায়না খুঙ্গাশিং অমদি মহারোল কয়া উনবদস্তু অঙকপা অমা ওইনা থোক্লমই।

স্বরাজ ফংলবা ভারতকী, চাওথংনবগী থোংজাও কয়া হাংলবা মতম অসিদা, সহরনদগী ইনক্ নক্লা লৈবা থুল অসিগী ফীভম উরুবদগী, মতিক চাদ্রবা, লৌশিংগী পাঙ্গল য়াংলবা ঐনা "মৈতৈ থুঙ্গং" হায়বা লীলা মচা অসি ইজরুরে। য়াথল থেনবা ওইবনা অয়াল অহুই কয়া য়াওরম্বসু য়াই অহুবু ময়ামগী নুংশি মিংয়েংনা ওাকপিয়ু হায়না নিজরি।

তোল্লবা—

শ্রীমতিলাল সিংহ

এম: ডিং ইউং আর্টিষ্ট, ইম্ফাল

• লীলা অসিদা চংবা মীশক •

—নুপা—

১। রাজেন .... পলেম খুন্দা চহি অমা মথাইগী ওঝা ওইরবা পাখং অমা। মাধবীগী মচানিপা।

২। বুধচন্দ্র .... পলেম খুন্দা হান্না ওঝা ওইবা নিপা অমা।

৩। খুল্লাকপা .. পলেম খুনগী খুল্লাকপা। চাইবীগী মপা।

৪। তোয়া ... খুল্লাকপগী মী।

৫। কামু যাত্রা .... পলেম খুনগী মুরা যাত্রা, খুল্লাকপগী মী

৬। শাজৌ .... খুনগী ফনবতা থনবা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং পাম্বা নিপা অমা।

৭। থোংলেন .... খুঞ্জাগী লুচিংবা, থরাই য়াওবা অহল অমা।

৮। গুলাপসিং .... লৈরোং খুনগী অহল অমা।

৯। শম্ফবা .... শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাংদা থরাই য়াওবা পাখং অমা।

১০। তনৌ ... শম্ফবগী মমান্নবা পাখং অমা।

ধোনো, মোনো, লেম্বা, পাকচাও, লাইবা, চৌংথং, খোম্বা, মংলেমজাও, অহঞ্জাও, নোংঙাঞ্জাও অদুগ ছাত্র ময়াম অমসুং খুনগী খুঞ্জাহল, চৌকিদারনচিংবা খুনগী খুঞ্জা ময়াম।

—নুপী—

১। মাধবী .... রাজেনগী মমা।

২। শান্তা .... রাজেনগী মচন, মাধবীগী মচানুপী লৈশাবী।

৩। চাইবী .... খুল্লাকপগী মচানুপী লৈশাবী।

৪। চংনিংলেম্বী.... চাইবীগী মতা লৈশাবী।

থাবল্লে, ইঙৈল্লেনচিংবী চাইবীগী মতা থরা অসিনচিংবী।

প্লান পব্লিসিটি উইক্তা লীলা অসিদা পার্ট কুমবিথিবা
এম, ডি, ঃ উ-গী আর্টিষ্টশিং

—নুপা—

১।	রাজেন	....	শ্রীযুক্ত মতিলালসিংহ
২।	বুধচন্দ্র	....	,, ইবোচাওবা শর্ম্মা
৩।	খুল্লাকপা	....	,, তোম্বীসিংহ
৪।	তোয়া	....	,, থম্বাল শর্ম্মা
৫।	কামু যাত্রা	....	,, ইবোহল সিংহ
৬।	শাজৌ	....	,, নিলমণি শর্ম্মা
৭।	থোংলেন	...	,, চন্দ্রসিংহ
৮।	গুলাপসিং	....	,, মংলেম সিংহ
৯।	মনো যাত্রা	...	,, খোমৈ শর্ম্মা
১০	শম্ফবা	...	,, বুধচন্দ্র সিংহ
১১।	তনৌ	...	,, নোংথোন সিংহ
	ছাত্র অমসুং খুঙ্গাশিং	...	বাবু শর্ম্মা, তোমৈসিং, রামানন্দসিং, সুন্দরজিৎসিং, তোম্বাসিং, মনি শর্ম্মা, হরিদাস শর্ম্মা, মধুচন্দ্রসিং অসিনচিংবা।

—নুপী—

১।	মাধবী	.	শ্রীমতি বীনো দেবী
২।	শান্তা	....	কুমারী মেধা মচা
৩।	চাইবী	..	কুমারী সুনিতীবালা দেবী
৪।	চংনিংলেম্বী	....	কুমারী য়াইমা দেবী
৫।	ইঙৌল্লে	...	শ্রীমতি চিত্রা দেবী
৬।	থাবল্লৈ	....	কুমারী ইবেমহল দেবী অসিনচিংবী।

ডাইরেকসন—**শ্রীতোম্বী সিংহ।** ইশৈ সুর—**শ্রীদিনমনি সিংহ।**

সাউণ্ড অমসুং লাইট ইফেক—**শ্রীরবিন্দ্র শর্ম্মা।**

মৈতৈ খুঙ্গং

অহানবা অঙ্ক

১বা উৎপা

রাজেনগী য়ুম মচা মন্তকপা (মাঙ্গোল)
পুং ৩ তাবা মতম

(ফক অমা থাহনা লৈবা, তরেং লংচাক্লচিংবা থরা নাকল অমদা তাহনা লৈ)

নিংথম কাম্বী মমৈনি, লমতা থাগী থামৈনি। অরাপ্পা চীংদা চাকপা, লাম্মগী মৈথুনা তঙাং তঙাংলবা নুমিৎকী মশেক্নি। য়াওশং লোইখিবগী চাকচা-হৈজানবা, হরাও-কুম্মে কয়ানা মথং মথং শমথরক্নি। হরাও তয়াম পাল্লবা শাবী শানৌ অমদি অহল-লম্মনসিংনা, লৈত লাইরবগী রাখল থাদোক্তুনা পুক্নিং সুঙোন্নবা মতম্নি। কনানা নুমিদাং পেনাগীদমক শেম শান্নরি, কনানা শুমাং লিলাগীদমক চেন্নরি, শক-হেনবী শানৌ নগা কয়ানা, নুমিদাং কুম্মে য়েংবদা থেংনবা নিংঙোল নাপগী নাচোম, শিঙেল লৈচন থিনরি। লাইরবগী রাখন্না থুঙ্কৎলবা রাজেন্দি মখুত্তা চে অমা পায়রতুনা ময়ুম পাংনা মমাগী মমাক্তা হাথু হাথুনা চেল্লরক্নি

রাজেন—(মপান্দগী) ইমা! ইমা!

মাধবী—(ইমুংদগী থোরকতুনা) নহাক লাক্লষরা ইবুংঙো? কৈদোরে অতুক থেংলকইবদি?

রাজেন—(হয়াওনা) ইমা! ঐ থবক ফংলেদো।

মাধবী—হাঃ! থবক ফংলে হায়বা! করি থবক্নোনে?

রাজেন—স্কুলগী ওঝা, য়েংউ চে অসি ঐবু থবক হাপ্পগী চেনি। (মতম অসিদা রাজেনগী মচনুপী শান্তা স্কুলদগী কুমলকই) শান্তা! ঐহাক থবক ফংলেহে, নংগী লাইরিক তম্বকা করিমত্তা রাররোইদৌনি।

শান্তা—অওইবরা তামো! শোইদ্রবরা?

রাজেন—য়েংউদনাসে ঐগী Appointment Letter নিনেসে।

(শান্তানা পায়)

মাধবী—অদুবু করি স্কুলদনোনে? নংগী চে অদুদি ইমানা খংব্রদো।

রাজেন—সিনিসে ইনা! ঐহাক পলেম হায়বা খুল অদুগী স্কুলদা চহি অমগা মখাইগী ওঝা ওইরুবা তারে।

মাধবী—অস্থুরাইদস্তু নত্তবা? তলবনা কযা?

রাজেন—শম্না হায়রবদা ইমা ঐহাক থা অমদা লুপা ৭৫৲ রোম ফংগনি।

শান্তা—চহি অমগা মখাইদা, পারমেনেন্টস্তু নত্তবা তামো?

রাজেন—মানি শান্তা! চহি অমা মখাইদনি। হৌজিক ওইরিবা ওঝা অদুগী মহুত্তা ওইরুগদবনি।

শা[illegible]—মহাক্তি কৈদৌরবা, কদাইদা চৎখ্রবা?

রাজেন—মহাক চহি অমা মখাইগী ট্রেনিং চৎকদৌরি। মাগী মহুত্তা ঐবু খনবনি। মতম খরদং অসিদা খরদং ফংবা অদুনা নংগী লাইরিক তম্বগী নতেংস্তু ওইনবা, ইমাগী লৈত-লাইরদস্তু মতেং খরদং পাংশিনবা ঙমত্রা য়েংবা হায়বদুনি।

মাধবী—ঙাইখোনে ইবুংঙো ! নংগীসিবো অরাপ্পা লরাই-থরাইদা নত্রবদি অসুরাইদদি তৌবা য়াদ্রবরা ?

রাজেন—ইমা ! সুরাইদদি ফংদে, অমতসু হাংদে। অদুগা পলেম হায়রিবা লম অসিসু ইম্ফালদগী পংথাপ থাপ্পা লম নত্তে। মাইল ৯।১০ দা লাপ্পা লম্নি।

শান্তা—অদুদি তামো ! চৎপা তারবদি কৈদৌঙৈ চৎকনি ?

রাজেন—ঙসি, হৌজিকমক চৎপা তারবনি।

শান্তা--হৌজিকমক ! করিগীনো অসুক থুনদি ?

রাজেন –মতম্না য়াদ্রবনি শান্তা ! অদুগা অফবা থবক্তি থিনগনুসু হায়।

মাধবী—করিনোনে ইবুংঙো ! নংনা হায়রিবা অসিবো ? ঙসি হৌজিকমক হাখু হাথু তৌদ্রবসু, নংগী পুনবা চেং-চারুচিংবা থরদং থোরাং তৌরগা, নোংমা নির্নি লৈরগা চৎপা য়ারোইদ্রনে ?

রাজেন—মাত্ত য়াদ্রবান ইমা ! হৌজিক ঐ কাংচুপ চীংখোং তান্না চেনবা বস তৌংতুনা ঙসিমক মফম অদু য়োনবা চত্তবা য়াদ্রবনি, অদুগা হয়েং অয়ুক হান্নগা ওঝা অদুগা থবক শিন্নগদবর্নি। মানা হংচিং চৎখিগদবনি। শান্তা ! চৎলু থেংখ্রগনি ঐগী পুনবা ফারোনকাদু অমুক্তা থোরাং তৌসি অদুগা ছুট কেস অদুসু পুথোরকউ।

(শান্ত. ইমুংদা চংঙনা মবুংগী পুনবা ফীরোল থোরাং তৌরি)

মাধবী—অদুবু রাজেন ! নংনা চৎখ্রগা নচন লৈশাবী অসিগা ইমাগনা য়ুম অসিদা তৌহৌগদবা অসি............।

রাজেন—ইমা ! মাদুগীদমক্তা করিমতা চিংনবীরুরগনু, পুম্নমক অসি লাইবক্না তম্বা ঙাক্তনি। উপায় লৈতবনিনা ঐসু কলেজ তম্বা ঙমদ্রে। প্রাইভেট টিউসন থরা তৌবা অসিনসু শান্তাগী মনিং

থুংহনবস্থু ঙমদ্রে লাইরিক ফাংবা শুনা লৈবিবা ঙমদ্রে, ইমাগী নতেংস্থু পাংবা ঙমদ্রে, অদুগী শরুকপুদি ঐ মতম খরা লাইবক য়েংউরগে।

(শান্তি মবুংগী ছুট কেশ, বেডিংনচিংবা পুথোরকই, মচিন মোপরা পোং য়োমশনবা লাকনরি)

মাধবী—অদুবু ইবুংঙো, নংনা হায়রিবা লম অদুদি……… । নংদ নহানিনা নপুকচেল ফাবা ঙমদদুনা, মীগী বদনামকা লাব্রবদি ইমাদি মাংলেদকো। নং নত্তনা ইমাগীদি অনিশুবস্থু নত্তেদো।

রাজেন—মদু থাইনগী রানি ইমা, হৌজক্কী মতমদা মীওইবনা মীওইবু হন্থনা খনবা, কনাবুনা অচৌবনি হায়দুনা থাঙ্গৎপা, কনাবুনা অতোনবনি হায়দুনা নমথবগী মতম অদু নত্রে, পুন্নমক পুকচেল তিন্নদুনা, অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরগদবা মতমনি।

মাধবী—অদুবু জাতা বিজাতীগী য়ুম্নীদি লেংদ্রি, ধর্মগী ঈচেন্না তুরেল লুখাইগুম্না খাইদোকলি। মীনোক চাওরবা তাইবং অসিদা বদনামগী চৈথাদি ইমাদি খাংবা ঙমলোই। নং করিগুম্বা নত্তবা অমত্তা ইমাদা তাহনবা য়াদে।

রাজেন—ঐ পুন্নমক থংজরে ইমা, ইমানা য়াদবা, ইমানা পামদবা থবক্তা ঐ কৈদৌংদস্থু তৌজরোই, করিমত্তা চিংনবিগম্বু। মুমিৎ অসি ফনা য়াম্না থেংলমলগনি, গাড়ী নংহৌররোই, ঐ চৎনবা তৌরগে ইমা।

মাধবী—ইমানা নংবু থাদোকনিংদে হায়দুনস্থু খাম্না ঙমদ্রে ফরে চৎলুরো। অদুগা ইবুঙো, লাইনিংথৌ সনামহি খুরমলমউ, নপাগী খুদা থারিবা অদুস্থু খুরমউ অদুগা বৃন্দারাণীস্থু খুরমউ।

(রাজেন মমাগা য়াথং তুংইন্না লাইনিংথৌ সনামহি খুরমলে, মপাগী খুদা থারিবা অদু খুরমলে, বৃন্দারাণী খুরমলে, মমাগী মনাক্তা মমাগী মখোং পায়দুনা খুরুমলগা)

রাজেন - অদুদি ইমা! ঐ চৎলুখিগে।

মাধবী—(মচাবু কোনখংপিবা) চৎলো ইবুংঙো! ইমাগী বরদগী নাদ য়েক্তনা মতম পুম্নমক্তা মঙ্গোল ওইবা ওইয়ু। (মচাবু নানবা) অদুগা রাজেন, পিশক পিক্লা নপানা নংবু হুন্দোকলম্বনি, নংনা ঙসি অমুক ইমাগী নাক্তগী থাপখিবা তারবদি, ইমানা হায়বা কাওগনু। মীগা খৎন-চেনগনু, নত্তবা সঙ্গ তৌগনু, চিঙ্গাক নত্তবা চাগনু, মীগী অরেম্বা পামলুগনু, ধর্ম্ম কাইগনু, অচুম্বা লম্বীদা মীগী মতেং পাংউ, মীনা য়ানবা, সমাজনা নুংশিনবা শাজৎ চৎলুকো ইবুংঙো।

রাজেন—ইমা! ঐ পুম্নমক খংজরে, ইমানা য়াদবা, ইমানা পামদবা থবক্তা নচা করিমতা তৌজরোই। ইমাগী চরন্না সাক্ষী ওইসনু। (ফুরিংথাউদগী পৈশা লৌথোকতুনা) সে ইমা! ঐঙোন্দা লুপা ৮৲ খক য়াওরি, ইমা লুপা অহুম অসি লৌহৌরো, ঐ লুপা ৫৲ অসি পুথ্রগে। অদুগা ঐ গোপান্দস্ত হায়রমগে, ইমাখোইবু খর খর য়েংবিরমউ হায়না; খুদোং চাদ্রবস্ত মাবু হেক থারকউ।

মাধবা—(য়াইঙং, ঙশহে, চনমনচিংবা য়োম্বা ফিজেং অমা মচাদা পিরগা ভুমিদা থপি তৈথোকলগা) সে ইবুঙো! অসি ফুরিৎথাওদা হাপচিল্লু; মতম পুম্নমক্তা নশাদগী থাদোক্কনু। অদুগা তুমলমদাইদা লাই শোল্লগা তুম্মু।

(রাজেন লৌবা, ছুটকেশ, বেডিংনচিংবা থোংগৎলগা মচন মুপী শাস্তদা হায়রকই)

রাজেন—শান্তা! ঐ চৎলুখিগে, মুমিৎ খুদিংগী মতম চানা স্কুল কাও, মতম চানা য়ুমদা হঞ্জিল্লু। ইমাবু মিকুপ অমতা থাদোকপা য়াদে, নংনা ঐ শক্তুনা পুম্নমক য়েংশিনগদবনি।

ঐনা চৎলিবা অসি নহাক্কীদমক্তনি, মীগী মমাংদা নত্তবকা তাহল্লবদি, ঐ য়ুম অসিদা অমুক হল্লকলোইদবনি। ননিং থুংদবা লৈরবস্থ চিঠি তত্তনা ইরকউ।

(শান্তানা মরুংবু খুরমই, বাজেন মপোং ম চ পুবহনা তপ্না ২ থোকখ্রে মাধবী অমসুং শান্তানা মমিং কুপ্তনা য়েংলি)

[থাংমৈ মুৎপা]

ংশু । উংপা

নুমিদাংরাইরম পুং ৬ তাবা মতম

[পলেম খুন্দোনগা লক্ষ্মী ময়ানি, শংখবনা লক্ষীদা লেপশতুনা তনৌবু কন্না কৌরি]

শঙ্খবা—হো তনৌ! হে তনৌ!

তনৌ—ওঃ লাকএ, লাকএ, অমুক্তা ঙাইখোও। (মনু.দগী)

শংখবা—হেরা নাবা ইবো, নুংমৎ অসি থেংখ্রে নংহৌররোই হায়রগা।

তনৌ—(থোরকতুনা) ইরোই তংখ্রদুনা ফাবা লাকনরুরিবনিনে।

শঙ্খবা—অদুবু ঙসাইনা খরা ঙন্না চৎসি হায়রগা।

তনৌ—হেরা, লোইরমখিরোইদা নংগনিদা। অদুবু কনা কনানি হায়না তাবগেনে?

শঙ্খবা—নুংঙাইগদৌরিপোৎনিনে ইবো, লৈরোং খুনৌগী মৈনো যাত্রাগা পলেম খুনগা কামু যাত্রাগা শান্নগদৌরিবনিনে।

তনৌ—মখোয় অনি অসিবু অমুক্তা কোমন্ত্রিবরনে?

শম্ফবা—অমুক্তা কোন্নদ্রিবনিনে চহি অস্তুক কুইবা অসি অমুক ফাওবা কোন্নৌ য়াদ্রিবনিনে, মুরুতুনা লৈরক্লিবনি। খংদেনহৈ হন্দক অসি করি লাইনা ইনশিন্দুনা শান্নৌ য়ারিবনো অদুনা য়েংহৌকসি হায়বনি।

তনৌ—এঃ! অদুদি রা অমা লৈরেহৈ।

শম্ফবা—করি রানোনে?

তনৌ—হেরা নাবা ইবো, নংগী লৈরোং খুনৌগী মৈনো হায়বা অদু এৈনা নুমিৎ খুদিংগী অরাং শাবন্দা ষণ পুনবা চংপদা ইতৎ তত্তনা উনৈ। মহাক খুল্লাকপগী মচানুপী চাইবীদো কোইব্রা করিনো খংদেহৈ।

শম্ফবা—অদুদি শোইদ্রেদনা, কামু যাত্রা অদুসু খুল্লাকপগীদদা লৈরিবনি মাগী মচানুপী অদু শংদুনা, অদুনদি মখোই অনি অদু মলোম লৈনরম্বা তারেদনা।

তনৌ—অদুনদি মখোই অনি অসিদি খুল্লাকপগী মচানুপী চাইবীগী হাত্তকসিদা খম্বা নোংবান শোইদ্রেদনা।

শম্ফবা—ইবো অদুদি খরা থুনা চৎসি ঢাসগী মুক্লা অসিদি শামু লমশা অনিনা য়াথিন্নবগা চপ মান্নগদৌরিবনি।

তনৌ—চৎসি।

(মাখোই অনি চৎপা হৌই, তুংলোমদগী বাজেন্না কৌরকই)

রাজেন—ইচিন-ইনাওশা অমুক্তা ঙাইবিখো, রা অমতা হংজহৌগে?

তনৌ—করি ওইবীরবনো?

রাজেন—পলেম থুন য়োগবা অসিবু কয়াম্না রাংলিবগে?

শম্ফবা—মথারোমদা উরিবা থুন অসিনি।

রাজেন—লম্বী কদোমদা চংকদগে অমুক্তা তাকপিরম্মু।

তনৌ—ঐখোইস্থ পলেম খুন্দা চৎকদবনি।

রাজেন—এঃ অদুদি য়াম্না নুংঙাইজরে, ঐ তুং অমুক্তা ইঞ্জহৌগে।

শম্ফবা—ঐখোইনা চৎকদৌরিবা লম্বী অসিদি য়াম্না ফত্তে, ঈশিং খোংকা য়াম্না লান্দুনা চৎকদৌরিবনি, খোংউপ তোংদুনা চৎপস্থ য়ারোই বাবু, অসোমগী চীংযাগী মথাথংবা লম্বী অসিদা কুমথরগা, তুরেন খোংবান অসিদা লাকপনা ফগনিদা বাবু।

রাজেন—ঐ লম্বীগা খংদবনে, ইথন্তা চৎপা নুংঙাইররোই, খোংউপ লৌথোকচগে, ময়ামগী তুং হেক্তা ইঞ্জরগে।

(খোংউপ লৌথোকপা হোংনরি)

তনৌ—বাবুগী করি থবক লৈবগে?

রাজেন—ঐ চুম্না থবক অমগীদমক্তা।

শম্ফবা—পলেম খুন অসি মহৌশানা মীতোপ চংবা কয়া য়াদবনিকো বাবু।

রাজেন—এঃ ঐ সরকারনা ওঝা ওইনবা থারকপনিনা থোইদোকপা বেরা তৌরোইদ্রা হায়না খনজে।

শম্ফবা—লেংঙসি অদুদি, তনৌ! সোমদা হেক্তা শমথখ্রসি।

(নখোয় অহুম চংমিন্নখ্রে)

[থাংমৈ মুৎপা]

ওংশুবা উৎপা

পলেম খূনগী কাংজৈবুং লম্পাক
ন্নুমিদাংৱাই মতম

[কাংজৈবুংগী নোংপোকথংবা মাইকৈদা লৈরোং খুনৌগী মীয়াম তিল্লি, নোংচুপথংবা মাইকৈদা পলেম খুনগী মীয়াম তিল্লি। মপাঙ্গল ফরবা লেংমান্নবা পাখং অনিনা ফিভম চানা কোন্নতুনা, মানা কৈদা ঐনা কৈদা হায়তুনা মিৎফম লেংদনা শামু লমশা অনিনা য়াথিন্নবগুম চাংগী চৌংলাই অনিনা শথেংনবগুম, লৌ ঙাইনতুনা লৈরি। ভাবক পুন্নমক মমিৎ কপ্পখিদ্রে, মতম অসিদা পলেম খুনগী ভাবকলক্কগী তোয়ানা লাওরকই]

তোয়া—কামু ইবো! থুল্লাকপনা ফৌ পোংমঙা পিনি, ঙবোং থাগনি হায়রিদো, নাবা মুক্না থাদবা য়াদেহৈ।

গুলাপ—(লৈরোং খুনৌগী ভাবকলক্ক) করিনো, অসিগুম্বা তাঙ্গাদা মীচং মীখাই নাইবা ৱা ঙাংনবা ফত্তেদা। তুমিন তুমিন ময়েংসি লৈবাক মচাশা!

তোয়া—করিনো? ঐগী মী থৌগৎচববু নথৌ করি লৈবগে।

১বা ভাবোক—ভাবোক ৱা ঙাংনন্নুসিদা, ভাবোক্কীস্নু লাম্বা লৈগনিদা।

২বা ভাবোক—তুমিন তুমিন লৈনসে, লোইরগা ঙাংনসে, কুম্মৈ য়েংখিসে।

(ৱাজেন, তনে, শম্ফবা চংলকই, ছুট কেশ মথক্কা বেদীং থাংগৎতুনা ফন্নগা কুম্মৈ ঙহাক য়েংলমই। যাত্রা অনি অদু লৌ হৌনরক্লে। কামুনা লোংখ্রৌ চনবদা মৈনোনা ওকপদগী ফৈদু ওইনা লৈবাক্তা পুম্না তাম্নিন্নখ্রে)

তোয়া—(ফুক হৌগৎতুনা) লৈবাক মচাশা! কামুনা থারে, কামুনা থারে।

গুলাপ—কৈদগী কামুনা থাগদগে, মৈনোনা থাবনি, য়েংউ কাম্ম মখুং লৈবাক শোংখ্রে।

১বা ভাবক—কদাইদগী, করি ৱানো? কাম্ম লোংখ্রো থাদ্রিনা কামুনা থাবা শোইদ্রে।

ভাবক—ল'ল্লে, লাল্লে, মৈনোনা লেংথক থংই, মখুং থাদ্রি কামুদি লৈপাক শোংখ্রে: লৌ হৈবগী থাবনি, লৈপাক পুমনমক খংবিয়ু।

(ময়াম পুম্নমক ইৱাং লাংনবক্লে)

শাজৌ—লৈবাক মচাশা! খুনগী অহন লমন য়াওরি, অহন মরা তাখিসে, খুনগী অহনবু বাঁচার তৌহনসে।

ভাবক—চুম্মে, চুম্মে, খুঙ্গা অহনবু বাঁচার তৌগল্লে।

খুঙ্গাহন—(থোরকতুনা) ইচাশা, ইনাওশা! ময়াম্ম অদু য়োনা য়েংনরবদি বা য়াম্না চাওবা তারে, অদুগী শকুকপুদি যাত্রা অনি অদু অমুক কোন্নহল্লু।

তোয়া—করি ৱানো, যাত্রাবু অনিরক শান্নবা য়াব্রা? কামুনা থাব শোইদবনি। লৈপাক পুম্নমক লৈরোং খুনৌবুদি পালেম খন্না মুক্রা থারে: লৈরোং খুনৌগী যাত্রা তুরে।

গুলাপ—লৈবাক মচাশা! লৌ খংদবা, মুক্রা নিয়ম খংদবনা ভংবা মরা লৌদে। লৈরোং খুনৌগী মৈনোনা থাবনে, লৈরোং খুনৌগী মৈনোনা থাবনে, কাম্ম মখুং শোংখ্রে মৈনোনা লেংথক লৌরে।

(লৈরোং খুনৌগী মীনা লৈরোং খুনৌনা থারে, পালেম খুনগী মীনা পালেম খুন্না থারে। মকম মৱাং খংদনা পংলাও লাওনরে। মমৈথংদদি উভূপ ৱাতুপ শাইনহনা কাংবু অনি অত পংকু কনরে। অদুগী মরক্তা রাজেনম্ম চৈ চাবা য়াওরে। রাজেন বেতীং মথক্তা কাথংলগা লেপলাও লাওরকই)

রাজেন — লৈবাক মচাশা! অমুক্তা চাইখিখো, কাংবু অনিমক অমুক্তা তপথখিখো। ঐ অসিরাইদগী নংচদেয়ে, ইম্ফালদগী লাকচবনে। ঐ অমুত্তা হায়জখিগে।

(মযাম পুম্নমক লেপ্পরকল্লে, তিঙক ২ শ্লেংনরক্লে। রাজেন্না মন্নাইদা চংদুনা লাঙবকই)

কররনে। ময়াম্না তৌরিবা অসিবো, নিপা লাম্বা চাবা অনি শ'ন্নবগ, কবিগীনো মযাম্না ঈ-নাই তাবা মখৈ য়ৈন-খন সবো? শিব। নাবা যাওনরবদি ইম্ফাল কাদুনা কোর্ট চৌনদুনা, অনাফম শাবা যাওনরোইদ্রা? শেল তিংনরোইদ্রা? করগা রাখল অত্তুক থেন্নরি? মুক্না হায়বা অসি মৈতৈ ওয়োয়গী চংনবাদা ক্রৈম্মে অমা নত্রা? নিপা অনিবু হাংনরো হাতুনা ময়াংগী মমাংদা পুথোকপদি নত্তেনা। চুম্না অচুম অরানগী বিচার অমা তৌরগা লোইরে নত্রগা অমুক হন্না শুহনবস্থ যাইনা। করিগাদমক্তা অত্তু যৌনা রাখল থেন্নবিবগে ব্রম্মে য়েংবা লাল্লোইদ্বীন তাযবগুম চুম্না মুক্নাগীদমক্তা খুং থোকনবা হৌনত্রা? যুমলোন্নবা খুন অনি হয়েং তুং ফাওবা যেংথনবা তারোইদ্রা? ময়াম পুম্নমক অমুক্তা ফমথখিখো, শাওবা অমুক্তা নেমনখিসে।

(মযাম তুমিন ২ ফমথনরকই)

তোয়া — অত্তুদি কনানা বচব তৌগদৌরি? বীচার তৌগদবা মী অদু চোংথোক্লক্লোদনা।

রাজেন - বীচার তৌগদবা মীবু চোংথোক্লকপা হৌনত্রা? খুঙ্গা অনিমক্না কাংবু অনিমক্না য়াবা মী থল্লগা লোইরেদনা।

ভাষক — খুঙ্গা মরক্তগী চোংথোক্লরবদি মীচং মীথাই নাইনরনিয়ে ইম্ফালদগী লাকপা মীচং মীথাই নাইরোইদবা মীতোপ্প, বীচার চেক্তা তৌহনসে।

ভাবক—অদুনা ফরে, মীতোপপু হেক্তা তৌহনসে, ঐখোয়স্থ অদুনা পাম্মে।

রাজেন—ময়াম পুন্নমক্তা করিগুম্বা অমতা হঙ্গৎচগে, ময়াম পুন্নমক্না ননাই ঐবু রায়েনজো হায়বা অসিবু য়ানবীরবরা?

ভাবক—ঐখোয় লোইনা য়াজরে। **(খুং থাঙ্গৎনরকই)**

রাজেন—'**খুৎ থাঙ্গৎলকপা মীশিং ষেংলগা)** তিনবীরিবা ইপা ইপল, ইচিন ইনাও পুন্নমক্কী মফমদা ননাই ঐনা খুৎ লোন্নদুনা হায়জরি। ননাই ঐহাক পোকপদগী মুরাস্থ শান্নজরক্তে, মুন্নস্থ খংজদে, অদুবু খুঞ্জা অনিমরা ঙসিগী থৌদোক অসিগী-দমক রায়েঞ্জৌ হায়না তাকপিরবনিনা, ঐগী পুক্লিংনা পামজবা মোট খরদং অসি ফোংলোকচগে। শামান লেংমান্নবা নিপা অনিনা মতম অমতদা লৈবাক্তা পুন্না তুমিন্নখ্রিবনি অমনা মথক থংইস্থ খংদ্রে, অমনা মখা থংইস্থ খংদ্রে। অদুগীস্থ মথক্তা লম অমমমগী, খুঞ্জা অমমমগী হৈশিংনরবা যাত্রা ঙাক্তনি; অমনা অমবু হেনজিন্না লাকচনবা যানদবদগী থোকইবা থৌদোক্নি। ঐখোযনা হৌজিক অমনা থারে হায়না লৌরবস্থ যাত্রা হায়না মিংথোল ফংলিবা নিপা অমগী পুন্সিদি য়াম্না লৈখা তানা মাংগদৌরি। করিনা হায়ববু শান্নখিবা মুক্না অদুগী ফীভম মতা অদুনা, অদুগী শরুকপুদি যাত্রা অনি শান্নবদা হৈশিংবা মান্নবদগী ফৈদুনা তাখ্রে। অমনা অমবু লাকচনদ্রে কুম্মে মখল অমা ওইনা থোকখ্রে হায়না অনিমক্কী মগুনস্থ মাংদনবা, তুংদা খুঞ্জা অনিমক্কী য়েংথিনবস্থ লেনদনবা, অস্থরাইদা অস্থম্মক লোইশিল্লসি হায়ববু ময়ামনা করি হায়বাবগে?

শাজো—**ইচিন ইনাওশা! মতুংদস্থ কাইনদনবা, রাফম অসিনা ফরগনিদা।**

ভাবক—যাত্রা অনিমক মাই খুনদ্রে কৈনৌ রায়েন্দা তারে।

(ময়াম পুম্নমক হোৌগৎনত্বনা চৎনবা হৌরক্লে, লৈরোং খুনগী মীস্থ হন্নগ্রে)

রাজেন—পলেম খুনগী ইচিন ইনাওশিং পুম্নমক! ঐগী লন্নাই রা অমতা হংজখিগে অমুক্তা ঙাইবীখোও।

(ময়াম লেপ্লবা)

তোয়া—করিনো ইবুংঙো? করি হায়বগে?

রাজেন—ময়াম অসিবু খুনগী চৌকীদার য়াওরিব্রা?

তোয়া—য়াওরি, য়াওরি। হো খুরা চৌকীদারা! হো খুরা চৌকীদারা!

চৌকীদার—করিনো? করি হায়বগে ইবুংঙো?

রাজেন—খুরা! খুন অসিগী চৌকীদাররা?

চৌকীদার—মানি, মানি ইবুংঙো।

রাজেন—অদুদি খুরা! ঐহাক সরকারনা, ইড়ুকেসন অফিসনা খুন অসিগী ওঝা ওইনা থারকপনি। ঐগী খুদোং চাবা ফংদ্রিবা ফাওবা, নোংমা নিনিদং পনবা য়াবা মফম অমতং খুরানা শিনবীবা তারে।

চৌকীদার—করিনো হায়রিবা অসিবো ইবুংঙো! হান্নগী ওঝা অমস্থ লৈনা।

রাজেন—হান্নগী ওঝা অদু ঐ লাক্লবদি মা হয়েংমক চৎখ্রগদবনি। মহাক সরকারনা অতোপ্পা ত্রেন্নিং অমা থাখিগদৌরি। মাগী মহুত্তা ঐনা চহি অমা মথাই পুগদৌরিবনি। নত্তে খুরানা চৌকীদারনিনা ঐগী লৈফম অমতং শিনবীদবা য়াদ্রে।

চৌকীদার—ইবুংঙো কদায়দা অমুক শিল্লুগনি, হান্নগী ওঝা অদুনা লৈবগী লৈবা, খুল্লাকপগীদা লৈবা হায়বা সিঙাইদনা।

খুল্লাকপা—নত্তে, নত্তে চৌকীদার! ইম্ফাল মচা ঐগী য়ুমদা থম্মরোই ঐ ইম্ফাল মচা লৈবা পামদ্রে, ইম্ফাল মচা তোনানখ্রে।

রাজেন—খুরা! ঐ সরকারগী খুন অসিগী অঙাংশিংগী মহৈ তম্বীনবগী-দমক ওঝা ওইনা থারকপনি, ঐগী লন্নাই থবক্কীদমক লাকচবস্থু নত্তে, মতম খরদং লৈবদা কয়ামুক কাইরগদগে?

খুল্লাকপা—ঐ সুকপাম পামজদ্রে ইবুংঙো। হৌজিক চৎলনি হায়রিবা ওঝা অসি নোংমা নিনিদং পনগে হায়রম্বদগী য়ুমদাংবনা কে-নাই হায়বগী মতাংগুম, অঙাং-নুবী পুম্নমক মাগী পাংখোন চৎপদা অমুক তোইবা লোইরে, নোংঙানবগা শমু মখোং মানবা খোংগ্রাও অমগা, খুগ্রাং অমগা নুংশা খরা য়াই, অঙাং খরা লংনা, হ্নরেম খরা ঙাং, মাগী মতৌ তম্বদা ইচা ইশুশিং পুম্নমক ইরোই শেল্লু য়াখিদ্রে, শিংজনবা চৎলু য়াখিদ্রে, লংক কুম্মু য়াখিদ্রে। ইসগুন চৎপনি হায়দুনা ঙহাক্তমক চৎলুই, হৃদ্রুগা ভুমখিবসিনা মথিংবাং চাক ফাওবা থোংদুনা চাদে। শুরগা চাবা শুদ্রগা তোকপা ঐখোইনিদো মখোইগা তিন্নরবদি ইচা-ইশুশিং লোইনা মাংগদোরিয়ে।

রাজেন—খুরা! হান্না লৈরম্বা ওঝা অদুগা ঐগা শক মান্নদেদনা অদুগুম্না পুক্লিংস্থু মান্নরোইদবনি। মী অমনা ফজ্রগা পুম্নমক ফৎলোই হায়বা অসি ওইথোক্তবনি।

খুল্লাকপা—অদু ঙাক্তনি ইবুংঙো, অদুগীস্থু মথক্তা খুল অসিদা মীতোপ চংবা অসি খুঞ্জাশিংনস্থু কয়া য়ানদে অদুবু সরকারনা থারকই হায়বগী তুমিন লৈনরিবনি।

তোয়া—সরকারনা থারকই হায়দুনা তুমিন্না হেক য়াবস্থু কত্তেদা, ইম্ফাল মচাশিং অসি মহৌশানা মরো চাওবনি ফনা য়াম্না লাক্লমলেদনা হা অদুগা অদুগা হায়দুনা খুন্দগী পোৎ-চৈ

থায়রনা পুখিবা, মশাগী কান্নবা য়েংবা ঙাক্তনি। লৈবাক্না মুন্না খন্নহৌবা ফে। সরকারনা থারকপা ঙাক্তা য়াবস্থু ফত্তে।

ময়াম—চুমই, চুমই খুন্দগী পোৎ-চৈ অমতা পুরোই হায়দুনা হান্না রাশকহল্লো। (ময়াম লাংনরকই)

রাজেন—ইঁচন ইনাওশা, ময়াম্না অদু য়ৌনা চিংনবা পোক্লবদি ঐনা রাশক্তুনা হায়জরিবা অসিনি ইমাগী সেবা ফংবা ঙমদনা মাংগে খুন্দগী করিগুম্বা পোৎ অমত্তা পুরোই লেম্লস্থ লৌরোই।

শাজো—করিনো ময়াম্না হায় রবা অসিবু, ঐখোইগী খুন্দা অঙাংশিং মহৈ তম্বানবা, খুঙ্গংগী চাংগৎনবা সরকারনা থাবিরক্লিবা ওঝাবু লৈহন্দব। য়াব্রা নোংমা নিনি খুদোংচাদ্রিবা ফাওবা মাস্তর বাবু ঐগাদা লৈবীয়ু। ঐনা পুম্নমক হোৎনজগনি।

(ময়াম থোকখিবা)

রাজেন—(মুন্না য়েংলগা) য়াম্না নুংঙাইজরে তাদা! নোংমা নিনিদংদি ঐ তাদাগীদা পঙ্গে। ঐস্থ সরকারদা চে থাদুনা মখোয়না শিনবীররবা ইজগে।

শাজো—রারোবীগনু বাবু! অসি ঙাক্তনি ঐখোয়গী খুন অসিদি। ঐনা ঐখোইগী খুন অসি চাংগৎনবা অতে খুঙ্গংশিংগা মীমান্নবা। ফনা য়াম্না হোৎনজবনি অদুবু ঐবু খুন অসিদা মাতোপ পুশিল্লি, মাচং খোমই হায়দুনা হু ওইদুনা লৈরিবনি।

রাজেন—মতম্না মরাইনা তাকচরক্কনি, করিমতা চিংনবীগনু, তাদা।

শাজো—অদুদি লেংঙসি, নুমিৎ অসি ফনা য়াম্না থেংখ্রে, ঐস্থ খরা পায়জগে।

রাজেন—এঃ ঐনা অস্থম পায়জরবস্থ য়াগনি।

[থাংমৈ মুৎপা]

৪শুবা উৎপা

অয়ুক অঙনবা পুং ৬ তাবা মতম

লম্বী

[কাংচুপ চীখোং তাবা খুঙ্গংগী লম্বীনি, নাক য়েত্তা হাংলবা লৌবুক, পাকলবা লম্পাক্লা মিৎয়েং তামখ্রি, চীংয়াগী অশংবা উমংনা লোইরোই ইনখ্রি। লোইবী চীংজাওনা ঙমখৈ তাকলি। অয়ুক অঙনবগী লিরিবা নুংশিৎনা, তরং তরংবা নুমিৎকী মঙালগা লোইননা য়াহৌ ঙনবী লৈরাংগী লৈনম খোমলি। মতম অসিদা বুধচন্দ্র বেডীং পুরদুনা রাজেন অমসুং শাজৌগা লোইননা রারি শার শারদুনা অরাং পাংনা কাংচুপ চীংখোং তমলকলি]

রাজেন—ওঝানা তাকপিরিবা অসিবু, মতম অসুক কুইনা লৈরকপা অসি মখোয়গা পুকচেন খোইজেন তিন্ননা রারি রাতাই শাবা, খুনগী অফ ফত্তগী মরম ফাওবা খন্নবা য়াদ্রনে?

বুধ—ইবুংঙো রাজেন! ইয়াম্বসু অহানবদা ফনা য়াম্না কন্না হোৎনরম্বনি, মমৈথংদদি উপাই লৈরক্ত্রদুনা তোকলবনিনে। করি অমুক হায়রুনি, খুল অসিগী অফ-ফত্ত শেমগৎ-শাগৎপগী রা তান্নবা য়াবদি হায়রুনু, হৌরক্লিব। নহারোল, মচা মশুশিং লাইরিক তম্বা থারকউ হায়বা য়াদদুনা ইশানা ময়ুমদা চৎতুনা থেম-নরিবনি। কনাগুম্বা অঙাংনা মথরাই য়াওদুনা, লাইরিক হৈনিংদুনা কাজরক্লবসু, শিংজনবা, ইরোই শেনবগীদমক্তা স্কুলদা লাক্তুনা চীংদুনা পুখ্রিবনি। মসিদবু করি উপাই লৈবগে? অদুগীসু মথক্তা খুল অসিগী চৎনবীনা য়ু থকপা, ময়াই কাবা পোৎ শিজিন্নবনা হৌনশানি। দেব কর্ম্ম অচৌবা উসব অমতং থোকপদা অসিগুম্বা তৌবা অসি নত্তনা করি অমতা উদে। শম্না হায়রবদা খুঙ্গং অসিদা জ্ঞান খরা তারিবা হায়ববু তাদা শাজৌ হায়বা নিপা অসিদনি।

শাজো—অচুম্বনি মাস্তর বাবুনা তাকপিন্নিবা অসি, ঐহাক ইশানরা খুল অসি মীগা মীমান্নবমক্ ঙমদ্রবস্থ, থন্নদং চাওখৎলবদি হায়দুনা, নোংমা নোম্বনা তরানি কান্নরিবা, তরানি শুবনা চহি অমা কোন্নরিবা, ইশাগী লৌউ-শিংউবগী থবক্চিংবা পুন্নমক থাদোক্তুনা ফনা য়াম্না কন্না হোৎনজবনি। অদুবু করিস্থ উপাই লৈতে। লম্বী শেমসি য়াদে, থোং শাসি য়াদে, ঈশিংখোং শেংদোকসি হায়নৈ থওইনদে, হায়রুরে লম্বী-খোং ফরগা ষণ হুরানবনা ইরোইচিংবা নুংঙাইনবা, তানবা ফংদনবা, করি কান্নগনি হায়দোকই। মীতোপ চংলক-তুনা খুনগী পোৎ-চৈ লৌখিনবনি হায়দোকই। কন্না হায়রুরে কাংবু শেমদুনা ফুন-চৈনবদা মহৌই, অনিদা শুনা মান্নসি য়াদবনি। অদুগা অরেম্বা থৌরেমগী থবক্তুদি কাংজৈবুং থন্না তিল্লিবনি। হৌজিক লাইগী উমং ময়াদা ইনা কুপ্পা স্কুল মচা অমা লৈরিবা অসিস্থ ঐ ইশানা চিংদগী মখোং য়ান্দুনা ইখুৎনা ই ফান্দুনা, তম্বীনবা ওঝাস্থ গুইদুনা রানা হোৎন-জরকপনি অদুবু ছাত্র তরাশুনা তম্বীদে। হা লৈরোং খুনৌগী স্কুলদি জীঙ্গনা কুপই মসিদি ইনা কুপই হায়দুনা অমতা কারক্ত্রিবনি। মমৈদদি ঐস্থ নুংঙাইমন্দ্রদুনা সরকারদা চে থাদুনা হান্নজা চৎচবদগী জিঙ্গনা কুপ্পা স্কুল হন্দক্তা শাখ্রিবনি।

রাজেন—অদুগুম্বা জ্ঞান তাবা, ইশাগী ওইজবা থাদোকপা ঙম্বা তাদা লৈরম্লিবা অসি খুন অসিগী তুংদা হৌরকপা নহারোলশিংগী য়াম্না লাইবক ফবনি।

বুধ—ইবুঙো রাজেন! ইয়াম্বদি তশেংনা হায়রবদা খুল অসি থাদোক-নিংবা কুইরবনি। করিগুম্বা চান্স অমতং ফংলবদি হায়দুনা ঙাইরক্লিবা অসি মতম শাংলবনি। অদু ইয়াম্বদি চৎপা তারবনিনা ইনাওনা অমুক পুহৌবা হায়বা অসি মঙাইরেদনা।

রাজেন—অহোয় ওঝাবু মতম খরা ময়ামগী সেবা তৌবা ঙমত্রা য়েংবা হায়বত্নুনি।

বুধ—অত্নুগনে ইবুঙো মতম পুম্নমক্তা, হীরম খুদিংমক্তা তাদা শাজৌ অসিগা তান্নরগা তৌ মাত্নুনা ইবুঙোগী খ্বাইদগী হেন্না সুবীধা ওইগনি। তাদা অসি ময়ামগী রাখন্দগী ইতোপ তোপ্পা পুকচেল অমা লৈবনি। মাহাক লৈবদগী ঐস্নু মতম অস্নুক কুইবা অসি খাংলক্লিবনি।

রাজেন—অচুম্বনি ওঝা ঐস্নু অহানবা হেক উন্নবা নুমিত্তগী পুকচেল খংজরবনি। হীরম খুদিংমক্তা তাদাগী মতেং লৌত্নুনা মতম খরা অসি লৈজগদৌরিবনি।

শাজৌ—ওঝা! ওঝানা ঙসি লেংগদৌরিবা অসি ঐদি ওন্থোকনা নুংঙাইজখিদ্রে, ওন্থোকনা পুকনিং নুংশিখ্রে। মতম খরা থাগরবস্নু কাওবদি কাওনস্নুসিকো ওঝা।

বুধ—এঃ করিগী কাওনগদগে, তাদ! ঐস্নু চিঠিকা থাবক্কনি, তাদস্নু মতম পুম্নমক্তা পাও তাহল্লকউ। স্কুলগী ফীভমকাস্নু তত্তনা খংহল্লকউ।

শাজৌ—ফনি, ওঝাবু; ঙসি অসি ঐনা খুনগী অহল-লমন ময়ামস্নু ওঝানা চৎপা অসি থিন্দোকনবা হায়জবনি। স্কুলগী অঙাং ময়ামস্নু খোমজবনি। অদুবু কনা অমতা লাক্লদ্রমাল্লে। ঐনা ময়ামগী মন্থং শিন্দুনা থিনজরবনি, রারৌবিবা য়াদে ওঝা।

বুধ—এঃ করিগী রারৌগদগে, তাদবু ময়ামগী মন্থং শিন্দুনা উনবা ফংলিবা অসি, ঐগী খ্বাইদগী নুংঙাইজবনি।

শাজৌ—(খাওদগী লফোই লৌথোকতুনা) অদুগা ওঝাগীদমক লফোই খরদং পুজরকই, ঐগী ইংখোনদা পানবনি, য়ুমদা অঙাংশিংগী-দমক খরা পাইবিখো, ওঝা! মমল য়াম্বা পোত্তি নৎত্রে রারৌবিনু।

বুধ—ইঃ তাদ! য়ামনখ্রেদা কৈদৌনবা। (রাজেন্দা) অতুদি ইবুঙো রাজেন! ইয়াম্বা য়ৌরগে, মুমিৎ অসি তারে, গাড়ী নংহৌররোই।

রাজেন—ফাইন, লেংবিরসি ওঝাবু।

বুধ—গুড্ বাই। (হেণ্ড্ সেক্ট্ তৌনৈ) অতুদি তাদ............।

শাজৌ—লেংবিরসি ওঝাবু!

(খুরুমনৈ, মাইকৈ অমমমদা থোক্লখি, কামু তোয়াগী মতুংইন্দুনা থোরকই)

কামু—খুরা! অসিদগী হেন্না হায়নিংঙাই লৈত্রবনি; মানা ইথৌ থওইদ্রবা অসিবু করিনোনে?

তোয়া—ঙাইখো, ঙাইখো; মাগী মপা খুল্লাকপা অতুগা মমা খুল্লাকপী অতুনদি করি হায়রি?

কামু—খুল্লাকপগা খুল্লাকপীগনদি ঐবু অসিদগী হেন্না লুনা তৌনিঙাই লৈত্রবনি। ঐতনা মাবু নুংশিমনবা অতুদা রা ফাওবা কন্না ঙাংজবা ঙমদ্রবনিনে। মমা মপাগীদি লোইরবনিনে।

তোয়া—অতুগা ইবো, চাইবী অসিনা তৌরিবা অসি খংদেনে। নহান্দো ঐনা মাগী মপুকনিং খংগে হায়দুনা, মাগী মমাংদা ঐনা নুংবু থাগৎপসি, অসিনিসে ইবেম্মা, কামু হায়বা অসি খুন অসিগী যাত্রনিদো, মপাঙ্গল কল্লিদো, মরিন ফৈদো, মপুকচেন ফজৈদো, মাদনিনে খুন অসিদা মতিক চাবা মী হায়ববু। অতুদা মানা, খুরা! নুংশিবা অসিবু মপাঙ্গল কল্লগা, মরিন ফরগা নুংশিবা হেক্তা যাত্রা? নুংশিবা হায়বা অসিদি থম্মোইগী থুপলবা অরোনবা রাখল অমনি হায়দোকই। অতুনা ঐসু খংদ্রে, ভাব তাদ্রে, মাগা রা ঙাংনবা অসি ওন্থোকনা লুখ্রে।

কামু—অতুবু করম তৌসি হায়বগেনে, খুরা তোয়া নংবু। নংগী উপায়দা মঙাইরে হায়বর্নি। মমা মপাগীদি অসিদগী হেন্না য়ানিংঙাই লৈত্রবনি। ঐসু মাখোইগী য়ানকা চৎপদা হকচাং অসি কেন্নবনি।

তোয়া—ফরে ইবো! অতুদি হোরেন নুমিদাংরাইরম অসি ঐহাক খুল্লাকপগীদা লৈরমগে, নহাকসু লাকউ, মপা খুল্লাকপগী অরেপ্পা রা অমতং খংদোকসি।

কামু—হোরেন নুমিদাংরাইরম? শোইদ্রেকো খুরা!

তোয়া—শোইদ্রবনি। হেরা ইবো! রারুমুদা, মমা মপানা অসি য়োনা য়ারিঙৈদা, মচানুপীনা লম পংহেন হেনবা য়াবা হোনদেদা।

কামু—হোয়নে খুরা, অতুবু খুরা ঐগীদি অয়োইবা হায়জরিবা অসিনি খুল্লাকপগী মচানুপী চাইবী অসিবু লোবা ফংদ্রবদি, হে সত্য ঐহাক খুল অসি থাদোক্তুনা চৎলগদবনি, খুরানা কৃপা অমতং তৌবিয়ু।

(কামু তোবাগী মখোং পান্নহুনা শাংদ্রোং শাংনা দণ্ডবৎ তৌহুনা থুরুমই)

তোয়া—এঃ ইবুঙো! ইবুঙো!

[থাংমৈ মুৎপা]

৫শুবা উংপা

পলেম খুনগী স্কুল

অমুক পুং ৭ তাবা মতম

স্কুলগী কা অমনি, ডেক্স, বেঞ্চ পরেং পরেং থারি, ওঝাগী টেবল চিয়ার, ব্লেক বোর্ডনচিংবসু লৈ। লম্না লম্না ফান খুদিংদা ধন, মোনো, লেম্বা, পাকচাও, চীংথং, লাইবা, খম্বা, মংলেম্বা, অহনজাও, চেংবা, খোম্বা, নোংঙানজাওনচিংবা ছাত্র কয়ামুক ফমলি। মনিং ইথং থংবা ফান্দা মোনো তুম্লি, অহঞ্জাওনা ওঝাগী চৌকীদা ফম্লি। ধোনো, নোঙাঞ্জাওনা ব্লেক বোর্ড অদু কন্ন লৈরগা অমা অনি মশিং থিতুনা শান্নরি। অতৈ খরনা দস্তর অদু লংতুনা ফীবুল হাবী শান্নরি। খরনা কাংক্র লান্নরি, মতম অসিদা মাস্তর রাজেন চংলকই, ছাত্র অমতসু হোৗগত্তে, অমতনসু থোৗওইদে।

রাজেন—ইনাওশা! লাংগনু, নফম নফমদা ফম্মুবো। (চৌকিদা ফম্লিবা অহঞ্জাওবু চিংখংলগা) নংসু নফমদা ফম্মুরো, ঐ অমুক ফমগে। নখোইগী রেজিষ্টরবুক্তি?

ধন—করিবো ওঝা?

রাজেন—নখোই ময়ামগী মিং ইবা, নংনিং কৌনবা বহিদো?

চেংবা—লৈত্রে ওঝা! গান্নগী ওঝা অতুনা শৌর কোম্থোক্লখ্রে।

লাইবা—মচেৎ অমদি উপুদা য়াঙথিবনি, ঐ য়েংগে ওঝা।

(চেনা ইয়াও রাওদবা অমা রাজেনপী; রাজেন য়েংলগা নোকই)

পাকচাও—ওঝা! হয়েংদি ছুটি ওইসি ওঝা।

রাজেন—করিগীনো? হয়েংদি সরকারনা ছুটি থাও হায়বা মুমিত্তি লৈতেনা।

পাকচাও—লৈত্রবস্থু ছুটি ওইসি ওঝা।

রাজেন—করিগীনোনে? অদুগা মরম অদু হায়য়ুদনা।

পাকচাও—ইসঃ ওঝা! হয়েংদি ঐখোইগী খুন্দা অয়ুক্তগী য়াম্না মুংঙাইবা কুম্মৈ অমা তৌগদৌরি। শেনকাস্থু য়াম্না থাম্নগদৌরি পোৎনি ওঝা।

রাজেন—করি, করম্বা কুম্মৈনোনে?

পাকচাও—ওঝা! ঐখোই খুনগী খুরা তোয়াগী ইরোইগা লৈরোং খুনৌগী শম্ফবগী ইরোইগা রাইনগদৌরি লুপা ১০০।১০০ কা থান্নগদৌরি, অদুগীনি ওঝা।

চীংথং—হায়গুম্মদনা য়ারবদি ছুটি ওইসিবা ওঝা।

(ময়াম ইরাং লাংনরকই)

রাজেন—ঙাইখো। নখোই পুম্নমক তুমিন লৈরো, ঐ রা হায়গে মুন্না মুন্না তাও। ছুটি থাবা, ছুটি ওইবা নুমিৎ হায়বা অদুদি সরকারনা পিরিবা য়াওশং, কাং, ঝুলোন, দুর্গা পূজা. রথযাত্রা, চৈরাওবা, কৃষ্ণ জন্ম, থৌরানী জন্ম. তর্পোন লোইবা, মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমিৎ, ভারতনা স্বরাজ ফংবা নুমিৎ অসিনচিংবা ভারত সরকারনা ইতুনা পিবা নুমিং কয়ামরুম লৈরি, অদুগুম্বা নুমিৎ অদুতদা ছুটি ওইগদবনি। ঐনা থানিংই হায়তুনা অমদি নখোইনা ছুটি পামই হায়রগা হেক্তা ছুটি ওইবা য়াবা নত্তে।

লেম্বা—ওঝা! হান্নগী ওঝা অদুদি য়াম্না ফেবো, ঐখোইনা হায়দ্রবস্থু মানা মরক মরক্তা ছুটি হেক হেক থাবী।

রাজেন—মাস্থু ওঝানি, ঐস্থু ওঝানি, অদুবু মাগা ঐগা শক মান্ন-দবগুম পুকনিংস্থু রাখলস্থু মান্নদে। নত্তে মসিগী রাসি তোক্লসি। ঙসি অসি নখোয়গা ঐগা অহানবা উন্নবা নুমিংনি।

ঐদি নখোয় ময়াম্বু উবদা য়াম্না নুংঙাইবা অমা পোকই, নখোয়দি নুংঙাইত্রা ?

ছাত্রশিং—(ময়াম) নুংঙাই ওঝা ! নুংঙাই ওঝা !

রাজেন—অদুদি হান্না নখোয় পুন্নমক্কী নমিং অসি অমুক্তং কৌখিগে, অদুগা কোন্না নুংঙাইনা রারি শাসি।

(রেজিষ্টার বুকতা য়াওরম্বা মতুং ইন্না রোল নং ১, ২, ৩, ৪, ৫ নচিংবা মথং মথং ওইনা কৌই। ছাত্র অমতম্ খুমলকত্রে)

নখোয়বু নখোয়গী রোল নম্বর অমতা খংদত্রা ?

ছাত্রশিং—(ময়াম) খংদে, ওঝা ! ঐখোয়গীদি অতুম্না কৌদে ওঝা।

রাজেন—অদুদি নখোয়গী নমিং অসি অমমম ওইনা কৌরক্কে, নখোয় খুদিংমকনা লাকচে ওজা হায়দুনা খুমলকউ।

ছাত্রশিং—ফনি ওঝা ! কৌবিরো ওঝা।

রাজেন—খম্বা ! (লাকচৈ ওঝা, মথং মথং খুমই) ধন, লেম্বা, পাকচাও, চাংথং, লাইবা, মংলেম্বা, সনাজাও (লাকতে ওঝা), অহনজাও, চেংবা, খোমদোন, তম্পাকচাও (লাকতে ওঝা), খোম্বা, নোংঙানজাও, মোনো, মোনো ! (মোনো তাদে, হৌজিক ফাওবা মনিং ফান্দা তুমদুনা লৈরি, রাজেন মনাক্তা চংলগা) কৈদৌরে ? ইবুংঙো নংদি নারবরা ? (মোনো খুনগী চংনবী অহন লমম্না শিজিন্নরকগী মতুংইন্না য়ু থকতুনা স্কুল কাবকলমই) হাইসঃ মসিদি মনম অমা নমইনা ! হায় ইবুংঙো, নিপামচা ! নং করি তৌরে।

মোনো—কোক ঙাওদুনা তৌবনি, ওঝা।

রাজেন—করি চারুরবগে, করি থকউরবগে ?

মোনো—অয়ুক ইংমনবা অদুদা য়ুমদগী খজিক্তং থকলকই ওঝা, অদুনা ওইরমাল্লে।

রাজেন—(ফুরিৎথাউদগী রুমাল লৌথোকলগা ছাত্র অমদা) সেঃ নহাক রুমাল অসি ঈশিং লুপলগা থুনা পুরকউ (ছাত্রময়াম অতুস্থ চংশিল্লকলমই) নখোই পুমনমক লাংগন্নু তুমিন তুমিন্না নফম নফমদা ফন্মু। (মখাম্মক ফমনখ্রে, ছাত্র অমনা রুমাল ঈশিং অরুপ্পা রাজেন্দা পী, রাজেন্না রুমান অতুনা মকোক্তা ঈশিং শুমথবি, মমাইত্ত নানথোকপি) খরা ফরবরা নহাক?

মোনো—উম্, খরা ফরে ঙঝা।

রাজেন—অতুদি, নমান্নবা অতৈগুম্না নংস্থু চুমনা ফমলো। (টেবিল মনাক্তা চংলগা) ঙসি নখোয়গী খুল অসিদা ঐনা ওঝা। ওইবা লাকপা অসিদ ঐগী পুন্সিদা ওন্থোকনা অঙকপা থৌদোক অমা ওইনা থোকখরে। ছাত্র হায়বা অসিদি দেশ অতুগী, লৈবাক অতুগী, খুন অতুগী তুংগী যুম্বীনি। লমচৎ, ব্যবহার ফজবা, হৌন-চৎনবানচিংবা খংবা, হায়ব খুদমশিং অসি নখোইগী মশাদা লেংদনা লৈগদবনি অমস্থুং নখোয়গী ফীদমনফম ওইগদবনি। অমরোমদা খুন অসি চাওখৎহনগে মীগা মীমান্নহনগে হায়বদু হৌরক্লিবা ছাত্র ওইরিবা নখোযগী নখুৎতা লৈরবনি। অতুগীস্থ মথক্তা ছাত্র ওইরিবা নখোযনা কৈদৌঙৈদস্ত নেশা চাবা হাযবদি ময়াই কাবা পোৎ চুরুট, বেড়ী, যু, গঞ্জা, কানি হাদাক কঙ্ক্র থকপনচিংবা পুম্নমক থাদোক্কদবনি। মতুং অসিদদি নখোই কনা অমতনা ঐগী ইমাংদা চুরুট, বেড়ী থকপা খুনগী চৎনবীনি হায়তুনস্থ যু থকপনচিংবা অমতা য়ারোইদবনি। স্কুলগী নিয়ম অমস্থুং ব্যবহার হায়বদি স্কুল অমা লৈবগী হৌন-চৎনবী লৈরিবা নিয়মশিং অতু অমতা কাইনা চৎপা য়াবোই। নোংম নোংমগী ঐনা লাইরিক তম্বাবদা নত্তনা স্কুলগী হৌন-চৎনবী পুম্নমক মথং মথং তম্বীগনি। মমল য়ামলবা মীওইবগী মপোকপু অরেম্বদা ফত্তবা লমচত্তা ঈশাবু ইশানা মাংননবা

শিল্লোইদবনি। মোনো! নং, ঐনা হায়য়িবা অসি ভাব তানা তারিবরা?

মোনো—তাজরি, ওঝা!

রাজেন—নখোয় পুন্নমক ভাব তারবরা?

ছাত্র ময়াম—তাজরে, ওঝা!

রাজেন—অদুদি নখোয় পুমনমক পুকনিং চংনা তারো, স্কুল অসি ইনৌ নৌনা অমুক মকোক্তগী হৌরসি। ঐ মপান্দা খোল্লগে নখোই পুন্নমক তুমিন তুমিন লৈরো। ঐনা চংলকপা হেক উবদা নখোই পুন্নমক চপ মান্নন৷ হৌগৎকদবনি, অদুদগী ঐনা ফম্মু হায়বা কান্দা চপ মান্নন৷ ফমগদবনি, অদুদগী ঐখোই পুল্লপা হৌগৎতুনা, খুৎ লোন্নতুনা জাতীয় সঙ্গীত জন গন শকদবনি। অদুগী মতুংদা মিং কৌরগা লাইরিক তম্বা হৌগদবনি। চসি হায়রিবা অসি স্কুল অসিনা লৈরিবা মথৌ কায়দনা চত্থরগদবনি। খংউব্রা?

ছাত্রশিং খংজরে ওঝা!

রাজেন—অদুদি ঐ মপান্দা খোল্লগে, হৌরসিকো।

ছাত্রশিং—ওঝা!

(রাজেন মপান্দা থাক্লে, ছাত্রশিং তুমিন তুমিন লৈনরে, ওঝানা অমুক চংলকপদা চপ মান্নন৷ হৌগংলে ফমথরো হায়রতুনা চপ মান্নন৷ ফমথরে, অদুদগী চপ মান্নন৷ খুং লোন্নতুনা জাতীয় শঙ্গীত শকনবা হৌগংলে, ঈশৈ অমতম্ব ফাবমত্রে।

রাজেন—নখোই কনা অমতম্ব জাতীয় শঙ্গীত ফাদ্রে। ওসিদি ভাবনা অসুম ভারত মাতাবু খুরুম্মসি অদুগা ঈশৈ অসিদি নখোই খুদিংমক্লা ফাদবা যাদবনি। ঐ শাজোগীদা লৈ, নখোই মুমিদাং-রাইরম লাকউ মাদুদা নিংথিজনা তমসি।

লেম্বা—ওঝা! মখোইদা ঐখোয মযাম লাকপদা শাওরোইদ্রা?

রাজেন—শাওরোই, শাজো হায়বদু যাম্মা ফবা মীনি, নখোইগী থুঙ্গং অসিগী চাওখৎনবতা খনবা নিপানে।

(খম্বগী মপা থোংলেন লিচৈ মক অদা পাযবত্তুনা হাথু হাথু চংলকই। মনিংদা ফম্ব' মোনো উবদা)

থোংলেন ('ফংনা) মোনো' ঐখোই ৎম্বদি?

(খম্বা মপা উবদা, লেম্ব লান্না চোঃদুনা ওঝাগী মনাক্ত চেনশিন্নি)

খম্বা—ওঝা! ঐখোইগী পাবা লাক্লে।

থোংলেন—(খম্বদা) হৈঃ নংোন্দা এনা ক'র হায়? হাঃ? ঙসি মনশেন লেং থোকই, এ চংক পুনবা চৎকে নংবু খরা চৎলু হাযবা নত্রা? করিগানো নংনা ইসংন্দা চৎলম্লিবো। ঐনা মতম মাংনবনি তম্বীরগনু হাযরবমক্তদা, নং মতোইনরা?

(লিচৈ থাংগৎতুনা ধংকা তোই)

রাজেন খুরা' অহন' শাওখনু অমুক্তা ঙাইবাখো অঙাং অসি লাইরিক যাম্মা তম্লিংবগী মোট লে হাযবা উই। মরবদি মহাকপু স্কুলগী মতম শাসদাদ কাইখোকপিযু অদুগা নুমিৎ চুপ্পা যুমগী থবক-ইংখাদা শিজিন্নবায়ু। ঐসু অশংবা মতমদা মাগী মতেং পাংবা লাকচগে।

থোংলেন—এঃ ইবুঙো ওঝা! করি কান্নবনো, থবক শিৎনবনি মানবু কয়াম্মা হেশিল্লগবনো। ঐনা তম্বীরনু হায়দুনা লাইরিক লইসু পুম্নমক ঈশিংদা থাদখ্রবনি, মসিদা মানা লাইরিকসু করিসু যাওদনা, ইসগুন্দা লাংবা চৎলিবনিনে। হৈঃ থোরকউ লাওনে, নং ঙসি মতোইনরা?

রাজেন—(ঘড়ী য়েংলগা) খুরা! হৌজিক স্কুলগী মতমসু লোইগদৌরে, ঐ খুরাগী থবক অদু নংননবা শোয়দনা থারক্লগে। লেংও, লেংও।

থোংলেন—মাংশ্বা শক্লা আমিন ওইবস্থু য়ারমোইদবদা করি কান্নবা থবক শিংননবা।

(মুরুম মুরুম ঙাংতুনা থোকখি, রাজেন মুন্না য়েংহোবা)

রাজেন—ইনাওশা! খুদম ওইনা হায়রবদা খুনগী অহল লমনশিং অসি থাইনগী ভাবতা অতুম লৈরি। মখোই পুন্নমক অসি নখোইগী নখুত্তা লোইনা তারবনি। মখোই পুন্নমক অসিবু শিংহনুনা মীগা মীমান্নবা হোৎনবা অসি নখোই নহারোনগী তৌদবা য়াদ্রবা নথোনি। অতুনা অহানবদা তৌগদবদি অহলশিং অসিগী য়ানবা চৎপা অতুগা মমৈথদা শেংদোরকদবনি। অতুনা এখোয় ময়াম পুন্দুনা ছুটি ওইবা, অশং অশংবা মুমিত্তা খুল অসিগী রারবা. থবক কল্লবা অহল লমনশিং অসিগী য়ুমথোং য়ুমথোং খুদিংদা চৎতুনা থধক শুবীরুসি, মতেং পাংবীসি। মতুদা মখোইনা হরাওদুনা পিরকপা পোৎচৈ অতুনা য়োম্থোক্লগা মতম্ ওইনা থমসি মতুনা খুনগী শেমগৎ শাগৎপা, কান্নগদবা হীরম কয়াদা মতেং পিসি, স্কুলগী নখোই ময়ামগী ফুটবোল, হোকিনচিংবা শান্নপোৎ লেসি, লাইবিক লৈসি, প্রানবা খবর লৌসি।

ছাত্রশিং—মতুদি য়াম্না ফৈ, ওঝা! তৌসি ওঝা!

রাজেন—অতুগা নখোই ময়ামদা এনা হায়নিংবা, খ্বাইদগী পামবা অমতংগা ....।

ছাত্রশিং—করিনো ওঝা! তাকপিয়ু ওঝা।

রাজেন অসিনি, নখোইগী অহল লমন্দা পৈশা থাইরুরবদি শাওরক্কনি অতুগী মতুংতা এখোয় ময়াম নহারোল মরুপ হায়বা অমা লিংখৎসি। এখোয়না স্কুল কারকপা মতমদা চেং মুট অমমম হায়রবদি খুৎনা অত্তুমনা পাইশিনবদা য়াওবা থরদং অতু

পুনরকসি, মতুনা পুসিল্লগা খুল অসিগী লৈতবা লাইরবশিংদা অতাবা অহোংবা মমন্দা য়োল্লগা অফংবা পৈশা খরদং অতুনা লাইরবগী শেঙ্গাও হায়বদি লাইরবশিংগী মতেং পাংনবা ওইনা থমশি। ঐদি মাসি পামই, নখোয় য়ানিংদবা য়াওব্রা ?

ছাত্রশিং—ঐখোয়সু পামই ওঝা, ঐখোয় লোইনা য়াজরে, ওঝা।

রাজেন—অদুদি ঐ ঙসি কাংচুপ চীংখোংদগী খরুং অমা লৈরুগে হয়েংদগী হৌরসিকে।

ছাত্রশিং ফৈ ওঝা!

রাজেন—অদুগা নখোয় পুন্নমক অসি ক্লাস ঠু পাস তৌদুনা থ্রী কারবনি। অদুনা অঙাং ময়ামগা পুল্লপা তম্বগী মহুংতা এল, পি, হায়বদি অহানবদগীনা মঙাশুবা ফাওবগী স্কুল অমা অদুগা ইউ, পি, হায়বদি ৬শুবা, ৭শুবা তম্বগী স্কুল অমা তোঙান তোঙান্না খাইদোক্লগনি। নখোই ইউ, পি, য়োরবা মখোদি অয়ুক পুং ১০ তাবদগী স্কুল হৌরগ। পুং ৪ দা ছুটি ওইরগনি, অদুগা অঙাংশিংগীদি মহৌশাগী অদু অদুম্মক কায়দে।

ছাত্রশিং—অদুদি ওঝা ঐখোয চাক চারগা কারকপা তারেদো।

রাজেন—মানি, নখোই লোইনা চাক চারগা লাক্কদবনি অদুগা নখোই পুন্নমক শেংনা ইরু-মাইথতুনা লেজবা ফীরোন অদু লুনা লাম্না শেৎতুনা লাক্কদবনি। সু-হেনবা হায়বা অসি হকচাং ফবগীসু মরম অমনি।

ছাত্রশিং - ওঝা। (মন্নাম হরাওদুনা খুবাক খুই)

(মপান্দা পুং তাবগী কাংশি য়ৈরকই)

রাজেন—ঙসিদি পুং তারে, অসুম্নাইদা অসুম ছুটি ওইরাস। হয়েং ওন্না ওন্না কারকউ।

[থাংমৈ যুৎপা]

ঙশুবা উংপা

ইম্ফাল।

রাজেনগী য়ুম (মাঙ্গোল)

মুমিৎম্লুংবা মতুং পুং অমা তাবা মতম

[রাজেনগী মমা মাধবী, মতম কুইনা মচা উরক্তবা অতুদা পুক্নিং মুংঙোন্দুনা চিন্তা তৌদুনা লৈরমই]

মাধবী - স্বগত) ইমাগী রাজেন! নংবু করম তৌরিগবা? কুইরেদকো ইমানা নংবু উদবা! নোংমগী মতুংদা মিকুপ অমতং উদবদা ইমানা লৈফম খংদবনিকো। হায়না হায়না থা ফাজিল্লক্লে-দকো। নদা নপাও অমতস্থু তাদে, ইমাবু করম লৈরসিগেনে? ইমানা নংবু মুমিৎ থা য়েংবগুম য়েংদুনা লৈজবনিকো। হা গোবিন্দ ইবুংঙো! ননাই ঐগাকী মরাইবক থীরবা ইচাদো মতম পুম্নমক্তা মঙ্গোল ওইবা পিনবীয়ুকো ইবুঙো!

(পালেম থুনগী শাজৌ চংডকই)

শাজৌ - করিগুম্বা অমতা হংজগেবা।

মাধবী—করিনো ইবুংঙো?

শাজৌ—রাজেন বাবুগী য়ুম্বু অসি ওইরবরা?

মাধবী—মানি ইবুঙো, করি হায়রবগে?

শাজৌ—ঐগাক পালেম হায়বা খুন অতুদগীনি, রাজেন বাবুনা ইমা-থোই করম করম তৌরিবগে অমুক্তা য়েংলকউ হায়দুনা ঐ চংজরকপনি। অতুগা চিঠি অমস্থু পিরকই।

মাধবী—এঃ অত্থদি ইবুঙো ! ঙহাক্কা ফম্মীখো, ইতৈমা ফিদা লৌথোক-লুখিগে। ইবুঙো করি হায়রকই, ননাও অত্থদি করম করম তৌগনৌই। ঐদি মাগী [illegible] মপাও ঙাবা ফংদবা অসিদা ওম্মোক্লা বানা লৈরবনি

শাজৌ—রাজেন বাবগীদমক্তা করি অমত্তা ৱাবিকগন্নু ঐগীদা য়াম্না নুংঙাইনা লৈ। থোইদোকপা খুদেং চাদবা অনা অয়েক্পচিংবা অমত্তা লৈতে।

(মতম অসদা শাস্তা মংগৈদমক লাইদা তুলসি পত্র লৈনচিংবা কংলুবদগী নিম্মলনচিংবা পুণা হনকই)

মাধবী—শান্তা ! নবংগী চিং লাকইনই। (শান্তাদা পি) (শাজৌদা) ইবুঙোগীদা লেবাই বাকা [illegible] শান্তু ! চংলু, চংলু ইবুঙো নাগী নবুং অসিগী হাদাক [illegible] অনত্তা হান্নকউ ইবুঙো নাগী চাবা থকপনচি বদি [illegible] ঙীরিং ঐগী ইচাদো পংবনিকে, নানা লাংবা [illegible] লৈবরম্ব নখোই খুইনা ঙাকপিয়ুকো। ইতৈম দিনে [illegible] বা অসিদা চাফম থকফনম্ব খংদ্রে : নুমিৎচপা কপতুনগা লববনি।

শাজৌ—রাজেন বাবুগী চাবা থকপনচি বগীদমক্তা করিমগা ৱাবিকগন্নু, কবিমত্তা ৱাংপা লৈতে। ইতৈমাগীদ অমত্তা হাইবা নচা নিপা রাজেন বাবু লৈংবা অতুদা নুংঙাইবমদবা যাই অতুগী রাজেন বাবুনা ঐখোইগী খুন্দা ওঝা ওইবা লাকপা অসিদি তাংলবা মণি ফংনগুম্ব ন ওংঙাকনী লাইবক ফংগু

মাধবী—কদাইদগীনোদা ইবুংঙো, ভাব তান্দ্রবা ইঙাও ঙাওরিবা অঙাংনি, ইবুংঙো খোইনা নংশিবারগী পংতাক তাকপিবনি। (শাগানা হীদাক পুণারক্ত,না পাব) [illegible] অসি ফানবিয়ু।

শাজৌ—(হীদাক লৌরগা) ইতৈমা। রাজেন বাবুদি ভাব তান্দ্রবা, ইঙাও ঙাওরিবা মী নত্তে। অঙকপনি ইতৈমা ! নগা নিপাগী

খোরাং অসিদি! নোংমগী মনুংদা মিকুপ অমত্তরু পোথাদুনা লেতে। লাইরিক ওমীনা লোইরে খুনগী থবক্তা ময়ামগী মতেং পাংবা, অফ-ফত্ত পুন্নমক তাথোক তাশিন তৌবি। রাজেন বাবুনা হৌজিকপু এখোইগী খুল অত্তুবু ইনৌ নৌনা শেমগনি হায়রিনে। চাংথোক শকতোরকই মী পুন্নমকনা লৌনিংইদো, তানিংইদো। এখোইগী খুন অত্তু রাজেন বাবু লাকপদগী মওং অমা তোরবনিনে।

মাধবী—খংদ্রেদা ইনুংঙো, মানা তৌরিবা অত্ত কনাগুম্বা তাথীবা মী মাওরনত্রুনা এ ওয়ম্ভোয়া ন্নুংশাথিখ্রে।

শান্তে—এঃ করনতা নুংশা থিবিগন্দু এখোই খুাই অস্তুক য়াম্না লৈরবা অসিদ।

মাধবী—ওয়মনে ইনুংঙো! অত্তুগা এখোয়দা লাকপদি করি হানি, করিনা সেবা তৌগনি? প্রসাদ তৌরব্রা? চারক্ত্রবদি নচনবু খোনাং তৌইনগে।

শান্তে—এ চক চারগা লাকচবনি, য়াম্না নুংঙাইজরে, করিমতা তৌবারগন্দু। ২ জন বাবুগী মুগ খংবা অসিনা অমদি ইতৈনা-খোই খুাইগী শক খংনবা ফংবা অসিনা খুাইদগী হেন্না নুংঙাইজরে।

মাধবী—অত্তুগা ইনুংঙে, মাগী চান-থক্কবা পোৎচ খরদং হাপচগে হায়বনু ইনুংঙোদা য়াম্না নানা থোক্লগদ্রা?

শান্তো—এঃ করিগী হারগদগে, ইতৈমা! এ পুজাখিগে। (চংখি)

(শান্তানা লাইরিক মরক্কুগী চিঠি অমা পুথোরক্লগা)

শান্তা—চিঠি অসি তামোদা খরা পিবিয়ু।

শাজো—ফনি ইবেম্মা, অদুগা নংগী তামোনা পরীক্ষা হৌরবরা হায়দুনা হংলকই।

শান্তা—হৌদ্রি লাক্লিবা তাং ১৫ নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌগনি হায়না তশ্বীয়।

শাজো—অদুগা ইবেম্মা! অতৈ কবি করি তামোদা হায়গদবা লৈবগে?

শান্তা—থোইদোকপা লৈজদ্রে। মরোল পুম্নমক চিঠি অদুদা ইজরবনি।

মাধবী—(পোংম্নোম মচা অমা পুথোবকতুনা) ইবুংঙো! অসিদদি পাই-বীখো রারৌবিগন্নকো।

শাজো—করিগী রারৌরুগদগে।

মাধবী—ইহেঃ ইহেঃ ইবেম্মা! নং চসাইগী লাইগী নির্ম্মল অদুগু খরা পুথোরকউ নবুংগী হাপখিসি। (শান্ত লৈ স্থ পুথোবকতুনা মমাদা পিরি সে ইবংঙো! অসিদগী নরিৎথাওদরা করিদনো খরা হাপ্লীখো। নংগী মনাওতুনা ইমানা পিরকপা লাইগী নির্ম্মলনি হায়দুনা খরা পিবিয়ু (শাজে লোই)

শাজো—ফরে ইতৈমা! অদুদি ঐস্থ চৎনবা তৌজরগে, নুমিৎ অসি ফনা য়াম্না থেংলম্লগনি।

মাধবী—ইতৈমস্থ অস্থরাই ফাওবা থিন্দোক্কে।

শাজো—(শান্তাদা) ইবেম্মা! চৎচরগে।

শান্তা—ফনি তাদা লেংবিরো।

(মাধবীনা পোংম্নোম অদু পুরতুনা শাজোগা বারী শারা শারদুনা থোকখি। শান্তা মবুংনা পিরকপা চিঠি ফাক্তোকতুনা পারি।

চিঠি—

তাং ৮। ৩। ৫৮ইং
পলেম বস্তি।

শান্তা! ইবু না নংঙোন্দা খংহনখিবনি। ঐহাক স্কুলগী থবক হৌরে. ঙসি ফাওবদি য়াম্না নিংথিনা চৎথরক্লি অদুবু অঙকপদি খুল অসি ইশাল সহরদগী প. লাগ লাপ্পস্তু নঙে অদুবু চাওখৎপগী খোং-থাংদা ভাব ত ব। শাংলিবা খুল অনা ওইরম্মে লম্মী থোংস্তু লৈতে, খুল অসিদা না চবগ্ তাংথি ঐগী পুক্নিংনে লাইরিক তম্বীবতা নঙনা যাম্না হন্দবিব খুল অসি হারনা খুদিংমত্তা য়াম্না চাওখৎহন্নিংই। অতুনা ঐহাক এগী চঠি অমা মখইগী মতম অসি লোইদ্রিবা ফাওবা মরক্তা চটিনচিংবদস্তু ঐ লাকপা ঙমলোইদৌরি। নহাক ইশান মারাইবা য়াদে মতম মাংহনগন্, লাইরিক কন্না পাও, তোয়না চিঠি ইরকউ হাং—

নহাক্কী নবুং –
শ্রীরাজেন্দ্রকুমার সিংহ
তাং ৮। ৩। ৫৮ইং

(শান্তা ম. কারেরোই হায়বগী ওংঙাইহবনা মাইথোং লাংশিল্লি)

[থাংমৈ মুৎপা]

৭শুবা উৎপা

নুমিৎ মুংবা মতম
চিঙ্গোলগী দৃশ্য

[লোইবী চীংগী হায়থরকপা নাপোম কয়ানা শাংথ-লেংথা লোইরোই ইনখ্রি। মাক্লং তুরেন্না চীংখোং চীংয়া নকযানা নুংগাইরক্তা থেক্লা খোইনা চেনথরি। নিংথম কান্নী ওইবনা উপাল রাপাল পুন্নমক মখাক লোইনা উরমই। যাহৌঙনবী শিঙেন লৈরাং কয়ানা শজিবু থাবু ঙাইঙমদা লৈরাং লৈশাৎ তম্নরি। লোইরোই খোম্না নুংশিংকী শউমলক্তা, রাজেন মখুত্তা থাংজো পায়রদুনা লোইরোইবা নাপোম অমগী মযাদা শিং চল্লমই। শিংবুন অদু শেম্না লোইরদুনা মথন্তা থোংগৎনবা হোৎনরমই অদুবু মথন্তা থোংগৎচবা ঙম্রমদে, লেংবান ফাওবা যোবা রারে। অম্নুম্না থাঙ্গৎলা থাদরা হোৎনবিঙেদা পলেম খুনগী খুল্লাকপগী মচান্নুপী চাইবী, মপুং-মবৈ ফারবী, শক্তা-চনা লম-য়োবী মতারোই শিংদগী মাংজোনা, লোইরোইবা নাপোম অদুদা তপ্না তপ্না কুমথরল্লমই। রাজেনগী মতৌ উবদা লোল্লা থিক থিক নাল্লমই। য়েংনা ঙমদ্রদুনা থুনা য়াংনা অরোনবা খোংথাংদা লাক্লুনা, শিংপোং অদু থোঙ্গৎপা পায়রমই। রাজেন ঙকপা থেংখ্রে, উন্নুংগী লাইরেম্বীরা খনখ্রে]

রাজেন—(শিং অদু থাদরগা) নহাক কনানো?

চাইবী—ঐনা পাইবনু মাংবরা, শিংবু মাংবরনে?

রাজেন—মাংবা শেংবগী রা নত্তে, ঐনা থংনিংবদি নহাক কনানো হায়বনি?

চাইবী—মদু থংলগা করি কান্নগনি? লৈশাবী, চীংয়াদা শাৎপী লৈরাংগুম, লরাইদা পোকপী চন্নুনি।

রাজেন—অদুক য়াম্না চাওথোকপা? ঐঙোন্দা নংগী নমিং তাকপদা করি অকাইবা লৈ?

চাইবী—কাইদেয়ে, অদুবু ইম্ফাল মচাদা মিং তাব্রুগা করি কান্নগনি ?

রাজেন—হেঃ হেঃ খংনিংদুনা তৌবগী হায়বনি

(মতম অসিদা ঙসাইমথৈ লোন্না থুপতুনা য়েংলম্বা চাইবীগী মমান্নবী চংনিং, লেম্বী, ইঙেল্লৈ, থাবল্লৈ-নচিংবী লৈশাবী মন্নাম অদু থাংবা ঙম্‌দুনা নোকথোরক্লে। রাজেন, অতৈসু লৈরম্বা অদুদা ইকাই ইকি মান্ননা তৌফম খংদদুনা লৈরিঙদা)

চংনিং- (ংংলোমদগী) ইতা ' মীনা অসি য়ৌনা খংনিংলবদি খরা খিং হায়দোকপিথ্রোদনা।

রাজেন—খংলে, মাকলং তুরেলগা ইচেনসে থেকনা খোইনা চেল্লি, অদুনা লমদম অসিগী লেশাবীশিংগী থম্মোইসু লোথুপ লোকোই লৈবী ঙাক্তনি।

চংনিং—অদু য়ৌন রারৌবিরবদি, ঐ তাকচগে, তাদা ' পলেম খুনগী খুল্লাকপগী অমতা পোকপী মমোমনে। মমিংনা চাইবী।

রাজেন—(শংত্রিক যেংই) চা ই বী '

চাইবী—(মাবু কৌবা ওইরবোই নিংনা) অমুক থোংগৎপিরোরা ?

রাজেন— খুমফম খংদনা) উম্ '

ইঙেল্লৈ—(চাইবীগী মথুং ফাবগা) ইতা থোংগৎলুনুদা, পাখংনবু অসিবু পুব' ঙমদবা হৌনব্রা ?

থাবল্লৈ—হোইনে, পাখংনবু। অদুগনে ইতা! ঐদি ইম্ফাল মচানা অসিদা লাকলগা শিং চল্লরিবা অসিনবু থেইনা ঙকখ্রে।

রাজেন—এসু অসিদা লৈববা মানি। থোইনা ঙকলুগনু। শিংদুন অসি ঐগী পঙ্গন্দনী খরা হেনখ্রমাল্লে, ঐঙোন্দা খন্না রানা থোক্লে।

চংনিং—অদুবু করিগী অদুক য়াম্নদ কোলৌ কারামই, ঐখোই লাক্লমদ্রবদি কমদৌনি ?

রাজেন—লাকলমদ্রগসু ঙমনবা হোৎনগনি।

চাইবী—অতুক য়ামনা রানা হোৎনগদবগী শরুক ঐখোইদ। লাকউ লেমনা পিবিগে।

রাজেন—ঐ মীগী মপোৎ অরেম্বা পামদে, ইমানস্থু য়াদে।

চংনিং—হোয়, হোয়! মীগী মপোৎ অরেম্বস্থু পামদবা, ইমানস্থু য়াদ্রবদি, নুমিৎ খুদিংগী অসিদা শিংজনবা হেক লাকউ; ইতা চাইবীস্থু থোংগৎনবা হেক হেক ঙাইহল্লমগে।

(ময়াম নোকই)

চাইবী—ইতা! নখোয়সিমা।

ইঙেল্লে—শাওনুদা ইতা! থৌদোক মতানা হায়বনি।

রাজেন—ফরে, মীচং কনবনা অচুম্বা শকহৌরো

(রাজেন্না মাগী শিংপোং অণগী মনাক্তা চংশিন্দুনা অমুক থোংগৎনবা হোৎনৈ, ঙমদ্রবা অতুদা লৈশাবীশিং অণগী মরক্তা থাবল্লেনা চাইবীদা)

থাবল্লে—(চাইবীদা) ইতা! ঙমদ্রমাল্লে চংও, চংও থোংগৎপিরো।

চাইবী—নখোয় ময়ামস্থু লাওদনা।

(ময়াম চংনা থোংগৎপিরে থবা চংলগা রাজেন্না)

রাজেন—লৈশাবীশা! নখোয়বু অমুকস্থু উনবা ফংগদ্রা?

চংনিং—ফংলোই হায়রগা রাগনি, উন্নগনি হায়রগা হরাওগনি নত্রা? রারুনুদা নি বু নিংবিরবদি তত্তনা উন্নজগনি।

(ময়াম নোকই)

(রাজেন তপ্না তপ্না চৎপা হৌই, মরক মরক্তা চাইবীবু মুম্না য়েংই। চাইবীস্থ মতা ময়ামদগী থোরক্কুনা মুম্না য়েংই, চংনিংনা চিংদুনা পুথি)

[থাংমৈ মুৎপা]

INTERVAL

অনিশুবা অঙ্ক

১শু। উৎপা

লুংথিল

পলেম খূনগী খুল্লাকপগী য়ুম

[খুল্লাকপগী মচানুপী চাইবী চন্না হেনবগী মশা চোকথনা মথল্লাই লুংঙাইতনা থোংজিন্দা ঙাতুনা লৈরমই, মপা খুল্লাকপনা চাক চারে। হায়তুনা মচা নুপিবু থেমলি]

খুল্লাকপা—করিগীনোনে নংনা নন্নুং অসুক য়াম্না কনবা শান্নিবা অসিবো ? নসানা হায়বা য়াদ্রবসু এনা হায়ন্নবদি মচান্নোদনা। শাওনিংবগী ননিং থুংদবগা নোং ফাদোক চন্না হেল্লবসু নুমিৎ নিনি শুজিল্লরেদনা। নশা অতু য়েংবা য়াশিল্লক্ত্রে মচারোদনা। এনা হায়বসু ইল্লরোই হায়ন্নিবন্নাও ?

(তোম্বা, কামু যাত্রাগা লোয়ননা চংলকই)

তোম্বা—করি তৌরবগে, ইবেম্মবু চৈরিবা অসিবো ?

খুল্লাকপা—চবা নত্রেনে তেম্বা ইবো! চাক চাও হায়তুনা থেন্না-ন্নিবনিনে।

তোম্বা—চন্না হেল্লিবরনে মাবু ?

খুল্লাকপা—ইবংঙো! হেল্লিবনিনে হেল্লিবা। ঙসিদা নত্তেনে ঙন্নাংদগী চাদ্রিবনি। নুমিৎ নিনি শুজিল্লক্লবনি।

তোম্বা—অতুবু করি ননিং থুংদতুনা তৌরিবনোনে ? নুমিৎ নিনি শুনা চারক্ত্রবদি করম তৌনি।

(চাইবী সম্ভাগ্রহ তোপ্রে, চন্না হেনথ্রে তাবদা কামু যাত্রানা বাৈ)

খুল্লাকপা—অতুবু করিনো মানা মনিং থুংদ্রিবা অতু হায়য়ুস্থু য়াদবনিনে মাসিদা ঐ তৌফম থংদ্রবনিনে। মতোমতনি হায়তুনা খরা কেথোক্লা য়োকপদগী এ ওস্থোক্লা রাগদোরিয়ে।

তোয়া—ইবেম্মা! পাবনস্থু অসি য়োনা হায়রবদি চারোদনা নত্রগা নংনা ননিং থুংদবা মরম অতু হায়রোদনা?

চাইবী—নহাক্না হাযরবনি, মীনা হায়বদি য়াদ্রগা।

খুল্লাকপা—করি! মাসিবু ঙাওব্রা করিনো? ঐনদি অস্থুক য়াম্না তাশিন খোমজিন্দুনা হোৎনরি অতুগা মানা লেম্না পিথোক-খ্রোগা, য়েস্থোকখ্রোগা। পুম্নমক অসি মাগী ঙাক্তনি হায়বা খংদমাল্লেনে মাসে।

চাইবী—ঐ পামজদেনে, ঐগী ঙাক্তনি হায়রবদি, ঐনা হায়বস্থু খরা য়াবীয়ুদনা।

তোয়া—করিনোনে ইবেম্মানা হায়রিববো?

খুল্লাকপা—হেরা ইবো' অসিনিসে, ঐগী কোক্তা পৈরিবা ফৌ-নুং অসে খুঙ্গাশিং অসিদা লেম্না য়েস্থোক্লে। হায়য়ে, মাসিবু করি ভাবনো খংদ্রেনে ইয়াম্ববো।

তোয়া করিগী লেম্না য়েনগদোরিবনো, অতুনা কর কান্নগদো-রিবনোনে?

চাইবী—খুরা! কুমসি লোকপতনা ফৌপোৎ ৪০০।৫০০ হেন্না লৈ, হাকুমগীস্থু ৪০০।৫০০ হেন্না লৈরি, হাকুম অমগাস্থু লৈরি, অতুদগী হেন্দোক্তুনা চহি তরুক শুরবা ফৌনা কোৎমাই চোন্না লৈরি। ঐখোইদদি অস্থুক য়াম্না পৈশিল্লগা খুন অসিগী লৈত-লাংরবা, লুখ্রাবী, অশোন অনাশিংনা চানিংঙাই লৈতদুনা কয়া রানা চন্না হেল্লিবা, মাখোইদা অতাবা মমলদা পৈশা খরা খরদং লৌরগা পিথোক্লবস্থু নত্রগা লেম্না য়েনবীরবদি

কয়াদা মহৈ ওইগবা। অদুদি নত্তুনা মাখোয়দগী লৌশিন-গদবা পেশিনগদবদা হোৎনৈ. ঐদি মাদু পামদে, ঐদি হায়রীবা অসিনি ঐনা হায়জবা য়াদ্রবদি মাখোয়না চাবা ফংদ্রিবা অসিগুম্বা ঐস্ত চারা তেন্দুনা শিরগদবনি।

খুল্লাকপা—তো অসিদনিসে। নংবু ঙাওরবরাও ? মাখোয়শিং অদু শুনিংদবা নোমনিংদবদগী মথিবোং চরা হেল্লিবনিনে। হান্নগী অতোনবা ফাওবা পিবিদত্না থৌনবদা অসি য়ৌনা রানরিংঙ অসিদা. ইসঃ করিগী মখোইবু লেম্না মথিবোং থাকচরুগদগে। কাগদে. কান্নদে অদুগী মহুত্তা নংনা ননিং থুংদবা অপাম্বা অত্তা ইপাদা হায়য়ু। সনা শাও হায়ব্রা, ইম্ফালদগী ফজবা ফীগোন নংনা অপাম্বতা লৈহল্লু হায়ব্রা ?

চাইবী—ঐ করি অমতা পামদে, করিস্ত লৈবিন্ন। ঐনা হায়রিবা অসি নত্রবদি ঐ স্নুকয়া য়ারোই, কারমতা চারোই, থকওই।

খুল্লাকপা—তোয়া ইবো ! নখোইস্ত খন্দুনা য়েংউ, করিনোনে অসিদা ঐনা তৌগদবা অসিবো ? ঐ খংদ্রেনে।

তোয়া—নত্তেনে ইবেম্মা ! নংগীসিবু কনানা করি হায়রক্তুনা তৌরি-বনোনে ? য়েল্লবস্ত য়েনশি. মরমতুদদি অমুক্তং হায়য়ুদনা।

চাইবী—মরম হায়ববু খোয় ইমান্নবী ময়াম ওঝা রাজেনগীদা লাইরিক তম্বা চৎলি, অদুদা ওঝা রাজেন্না ঐঙোন্দা লংনৈ। নংদি খুল্লাকপগী মচা নুপীনি, নিংথৌগী মচানি। সনা, লুপা, ফৌচেং, মরন থুম য়াম্না লৈবিনি. ইনাক খুনবীনি অদুগা মশাগীদা য়েংবা মীনুংশিং খংদবা মীনি। খুন অসিগী রারবা লৈত-লাইরবা অশোন অনাশিংনা চরা হেনবা উরগা মুংঙাইবা ঙম্বীনি হায়রকই। ঐ মাগী মমাংদা য়াম্না ইকাইজে, মাগা উনবা ঙম্মরোই।

খুল্লাকপা—তোঃ মসিদনিসে ঐনা প্রান অসি প্রোক প্রোক চাকইবা। তোকপিরো, তম্বিরস্থু চংপিরম্নুনে, লৈশাবী বোরোবী ঙাল্লা হৌজিক লাইরিক তমলগা কৈদে দোরিবনো? নত্তে, তোয়া ইবো! মথিবোং চানিংঙাই শিতত্তুনা খুন অসিদা ওঝা ওইবা লাকলে, অদুগা মাগী মথৌ, শঙাংশং লাইরিক তম্বিগেদি হায়দ্রদন মনা খুন অসিদা অমদা কক্ অমদা কাক্ তৌরবা অসিবু করিগানোনে খুন অসিগী ইচা ইনাই অমতস্থু হাংবা ইনশিল্লক্ত্রে, বাবনা নলরক্ত্রে। অদুদগ হেন-দোকতুনা এগী ইমুং ফাওবা যৌশল্লবনিনেসে। ... মা এগী খুত্তা অমুক্তং তাবকখিনিদনা খুন অসিদা না বয়া কইনা লৈবা যাবগে যেংসি হাংবা।

তোয়া—অচুম্বনি, খুল্লাকপা! ঐহাকস্থু মানা তৌরগা অসি ... হায়তুনা ... যেংইবনি। খবা তোরা মিটিং, খরা তৌবা ব্লাতাম্নবা, হা শেমগৎপা, শাগৎপা অমুক্তোইনা লোইরে, মানা খুন অসিদা তৌশিল্লকইবস। ... নোংমদি মা অমুক্তংদ হাযতুনা শিংতুনা লৈরবনি। নোংমদ মা শোইদনা ... চ রোইদৌরিবনি।

কামু—হেরা মানব পহেন হেঞ্জিল্লকপা যাত্রা, অমুক্তং পাইশিনবদা লোইগদবা মগুম্বা জীবনবু অতদা ... কইবা হাযববু মনা হেক হায়বগা হোয় হোয় হায়তুনা য়ারিবা এখোযগী খুঞ্জাশিংসে অসিনা হেন্না ঙকখ্রেনে এদি।

(চাইবীনা থানা যেংই)

খুল্লাকপা—হেবা কামু ইবো! মতম লাকখিনিদনা, মা কদাইদা লিংপগে যেংসি হায়বা। হৌজিক হৌগৌ চোংইবা খুঞ্জাশিংসে অসিস্থু মঙাই, মথিবোং মথিবোং অতু থবৎ থবৎ হেক ককথৎপদা, নোংঙানবা ঙাইঙমদনা, খোংদা কোন্দুনা নে নে

তৌরখিগদবনি, মতুদা মাগী মিটিং কাটিং মী খোম্বা অদু য়াত্রা য়েংসি হায়বা।

কামু—মাগী মখুনস্থ নত্তবা, মানা চান্নবস্থ লৈবা য়ারোইদোৌবা ঐখোইগী খুন অসিদা মানা মথরাই অস্নক য়াম্না য়াওনা হোৎনরিবা অসিবু করিগীনোনে ?

তোয়া—টাউন মচাগী হৌনবীনিনে, হয়েং মমৈথংদা করি করি থরা পুৰা য়াননবা মতাৎ তৌশিন্নরিবনিনে।

কামু—ঐখোই লৈরিবদবু মানবু করি পুবা ঙমগদগে, মশা শাগন অদু প্রোক প্রোক থুদেক্লগা লবুক্তা হেক লংখোক্লগা লোইরেদনা।

(চাইবী শাওনা খানা য়েংই)

খুল্লাকপা—অদুনি ইবো! ঐস্থ খোইদৌ অসে নেম্বা য়ারক্তবা কুইর-পোৎনি ইবো। অসিগী মথক্তা অমুক ঐগী ইচানুপী অসিনা তৌশিল্লকইবা অসিনিসে। (চাইবীদা) ইবেম্মা! নং ইপানা অসি য়োনা নুংঙাইত্রিবঙৈ অসিদা ইপাবু অমুক ওৎলগন্নু। য়েংওই নতা চংনিং অদু কৌবিরুগে, মাগা লোইননা ইপাগী মাংদা হরাও হরাও অদুক চাথোকউ। তোয়া ইবো! নখোই ময়ামস্থ চংদুনা খরা হায়য়ু, ঐ মতা চংনিংদু অমুক্তা কৌবীরুগে। (থোকখি)

তোয়া—ইবেম্মা! য়েংউ পাবা অসি কয়া মথরাই নুংঙাইত্রবনো, খুঙ্গাশিং অসিনা মপুক অমা তৌরকপনে করিনে, ইবেম্মনা অমুক্তা অদুম তৌরবদি লৈফম খংঙরোই। ননিং খুংদবা পুম্নমক ঐখোই খ্বাই লৈ, খ্বাই চংদুনা হোৎনগে, হরাও হরাও চাক ঈশিং চাথোকও, ঐখোই খুল্লাকপগী মতৌ অসি য়েংবা ঙমদ্রে।

কামু--হোয়রে, ইবেম্মা! শাওবা ওকয়েদা, নিংথিনা চাক-ঈশিং চাদুনা হন্নাও হন্নাও লৈরগা ঐখোই খ্বাইস্থ মুংঙাইগনি।

চাইবী—(শাওনা) তাদ! ঐ অঙাং নৎচদ্রে। ঐবু মুংশিবিন্নবদি ঐবু থেম্বীবগী মহুত্তা ঐখোয়গী পাববু নিংথিজনা থেম্বীদুনা নচন্না নিংইবা অসি থুংহনবীয়ু। মদুনা হেন্না নচন্না থাগৎচগনি।

(খুল্লাকপা চংনিংগা লোইননা চংলকই)

খুল্লাকপা—সেঃ সেঃ পুবিরক্লবনিসে, নতাগা লোইননা ইপাগী মাংদা অদুক চামিন্নরু।

চংনিং—ইতা! করিগীনোনে নংনা চন্না হেল্লিবা অসিবো? নংনা হায়নিংবা কোঙ্গাই লৈরবস্থ পাবনা করিস্থ য়াদবা তৌরোই করিগী চন্না হেল্লুগদগে। ফত্তেসে চংঙসি লাকও ঐগা হন্নাও হন্নাওনা চামিন্নরুন্নসি।

চাইবী—ইতা! নহানগী থৌদোক অদু উবদগী ঙসি ফাওবা ঐহাক চাক লামদ্রি। নতাগী নিংবা অসিতদি কাইহনবীগনু।

খুল্লাকপা—করি থৌদোকনোনে মানা হায়রিবা অদুবু? সত্যা! ঐ শিনিংঙেদকো।

চংনিং—পাবা! সিনিসে ঐ হায়গে, নহান ঐখোই ময়াম ওঝা রাজেনগীদা লাইরিক তম্বা চৎলুবদগী হল্লকপদা, অন্নাং খুন্দোন্দা লৈবী চাওবী লুখ্রাবী অদুনা চানিংঙাই লৈতদুনা মঙৈ থক থক নিক্লদুনা লবুক্তগী ফৌ মরু মরু খুলহোয়ে মাদু উবদুদা ইতানা মুংঙাইতদুনা তৌরিমাল্লে।

খুল্লাকপা—অদু মানা মুংঙাইতে, মুংশি হায়রগা ফৌ শংবাই অমা করি অমা থিনবীরুরগা লোইরেদনা। ময়ামদদি করিগী য়েনদোরিবা?

চাইবী—মাদা নত্তনা খুন অসিদা চাবা ফংদবা লৈত-লাইরা অশোন অনা কয়া লৈ হায়বা অসি ঐ তশেংনা থংই। অদুগীস্থ

মথক্তা ইপাগী ময়নবু ইনিং তৌনা শিজিন্নবা ওমদবা ঐহাক অসি মাখোইগুম্বা অমনি হায়না লৌবদা করিস্তু চিংনিংঙাই লৈতে ইতা! নংস্তু খন্দুনা য়েংউ।

চংনিং—পাবা! ইতা চাইবী চরা হেল্লি হায়বা অসি ঐ ওরাংনা •খংলবনি। ইমা খুল্লাকপী লাক্তুনা ঐবু কৌরবনি মাতুদা ইতানা ওমতুনা লৈহৌরবনি। হৌজিক ঐনা ফনা হায়তুনস্তু য়াররোই। অতুগী শরুকপুদি ইতানা নিংজবা অসি থুংজরসনু। পাবগী কৈ ময়াম অসিদগী ফৌপোৎ ২০।৩০ দং য়েম্থোকপদি থোইনস্তু মহাম তারোই, অতুগী মথক্তা ধর্ম্মনি, অতুনা ফগ-নিদা পাবা।

তোয়া—হোযদা খুল্লাকপা! অসি য়ৌনা থেম্বদা য়াত্রবা অসিনদি চংনিংনা হায়রিবা অসিনা ফরগদমাল্লে, মানা নিংবা অতু থুংজরসনুদা।

খুল্লাকপা—অতু ওইরবদি নং শোয়দনা চাদি চারনিদকো?

চংনিং—এঃ করিগী চাদদগে পাবা! শোইদনা ইতাগা চামিন্নরগনি।

খুল্লাকপা—(কামুদা) কামু ইবো! চৎলু, ইমুংদগী শংবাই লৌথোকউচো, খুল্লাকপীদগী শোগা লৌরকউ।

(চাইবীনা চাক চারগনি হায়রবদা কামুনা হয়াওমনখুতুনা ইমুংদা চেনশিনখিতুনা শংবাইগা সোগা লৌথোকউরে। মফি তাথৎতুনা শংবাইগা সোগা পাইতুনা চেম্থোরক্লগা)

কামু—করম্বা কৈদগী কোৎথোকচো হায়বগে?

খুল্লাকপা—(খুদোম্বী খিন্দুনা) আঃ মনিংথংবা ফৌঙাংগা মোইরাং ফৌগা তংখাই তংখাই হৈখিবা কোৎ অতুদগী ফৌপোৎ কুম্ভ্রাদং কোৎথোকলুরো।

কামু—ফনি। (চাইবীদা) অতুদি ইবেম্মস্তু লেংঙকও।

(খুনা য়াংনা চেনশিনখি)

খুল্লাকপা—তোয়া ইবো! নংস্থু ঙসিগী অনৌবা কুম্মৈ অসি য়েংখো, ফৌশিং তুক থাক্লসি লাও। (চংমিন্নখি)

চাইবী—ইতা। নং চৎলো ওঝা রাজেন্দা, লৈত-লাইরবা অনংবা মীশিং অদু ঐখোয়গী মথা থংবা থোঙ্গাল অসিদা অমমম থাজিল্লকউ হায়রুরো। ঐ ফো য়েনবা হৌরম্লগে

(কোকশেং শেৎকৎলি)
(চংনিং হয়াও হয়াও চেনখ্রে)

[থাংমৈ মুৎপা]

২শুবা উৎপা

কাংজৈবুং লমহাং

[খুনগী নৌনা লাইরিক তমখৎলক্লিবা অহল্লোন, নহারোন, পাথং, লৈশাবী ময়াম লম্পাক্তা পরেং পরেং ফমডুনা লাইরিক তমলি। মাষ্টর রাজেন্না উপাম্বী অমগী মথাদা ব্লেক বোর্ড অমদা লাইরিক ইডুনা তাক্লি, ময়াম্না য়েংডুনা ইম্মি]

আ	া	ক	া	কা
ই	ি	ক	ি	কি
ঈ	ী	ক	ী	কী
ঋ	ৃ	ক	ৃ	কৃ
ঌ	ৢ	ক	ৢ	কৢ
উ	ু	ক	ু	কু
ঊ	ূ	ক	ূ	কূ
এ	ে	ক	ে	কে
ঐ	ৈ	ক	ৈ	কৈ

(অজিনচিংখা পাড়্নবু তাক্লি)

রাজেন—ময়াম পুন্নমক ঙসিগী পরাদি অসিনা ওইরসি অদুগা পরা অসি নহা অহল খাক্তনা হয়েং য়ুমদগী ইদুনা পুনরকসি।

চংনিং—ওঝা! ক না লৈরিবা মফম অসিদা অতে ময়েক পুন্নমকস্তু লৈবা য়াবা নত্রা?

রাজেন—মানি পরা অসিদা া, ি, ু গী মশক তাকপদনি, অদুগা ক না লৈরিবা মফম অসিদা খ, গ, ঘ, ঙ নচিংবা লৈরিবা ময়েক পুন্নমক লৈগদবনি। হায়রিবা া, ি, ী, ু, ূ নচিংবা ময়েক পুন্নমক অসি ময়েক খুদিংমক্তা তগ্নগদবনি। অহানবদা ক না লৈরম্বগীদমক্তা থম্বনি গ+া+গা, 'ঙ+া+ঙা অম্মুন্না ময়েক অতৈ পুন্নমক্তস্তু ওইরক্কদবনি।

থোংলেন—ইবুংঙো! নহাক্না চংত্রিবৈঙগী মমাংদা ঐখোয়বু ইব পাবা অসিতদি হৈহৌগনিকো?

রাজেন—শোইদনা হৈগনি খুরা! করিমতা চিংনরুগনু। নোংম নোংমগী চংথরক্লিবা পারা অসিদা পুকনিং চংনা ভাব তাহৌরবদি শোইদনা থুনমক হৈগনি।

১বা খুঙ্গা--হৌজিক ফাওবদি পারাবুদি ঐখোয়না ঙমলপ ঙমলপ চংলি। মতুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বা খংদ্রে ওঝা ইবুংঙো।

রাজেন—করিমতা রাবিরুগনু। মরাইনা হৈজগনি। মী খুদিংমক হৈদুনা পোকলকপা ঙাক নত্তে। তম্নগা, তোৎনরগা হৈরকপা ঙাক্তনি। অদুগা ঙসি ময়ামদা নিংাশংজনিংবা মুংঙাইবা পাও অমগা।

ময়াম—করিনো ইবুঙো? করি পাওনো ওঝা?

রাজেন—অসিনি, খুন অসিগী ওঝা শাজৌ অমদি খুন অসিগী ছাত্র নহারোন ময়ামগা লোইননা হোৎনবদগী, মণিপুর সরকারগী পব্লিসিটি ডিপার্টমেণ্টনা চানবিদুনা খুন অসিগী **রেডিও অমা**

মমল য়াওদনা লেমনা পিবিরকলে। ঙসি অয়ুক ওঝা শাজোনা রেডিও অত্তু লৌননবগীদমক্তা ইম্ফালদা, পব্লিসিটি অফিস্তা চৎখিবনি। হৌজিক নুমিদাংবাইরম পুরকপা য়াই, নত্রগা হযেং অয়ুক্তি শোইদনা পুবক্লগনি। হৌজিক্তি এখোযনা মৈতৈ খবরগী রা তাবা ফংলগনি অসিদা নত্তনা রেডিও লৈরবদি পৃথিবীগী দেশ অপুম্বগী ঈ-পাও, ঈশৈ নোংমাই পুন্নমকস্থ ফম্না ফম্না, মফম অসিদা তাবা ফংলগদবনি।

শম্ফবা—ওঝা! হৌজিক ওঝানা হাংবিবা রেডীও হাযবা অত্তু এদি নহাল থাংমৈবন্দা, সনখ্বা খোমদোনস্ন, খোইদা ফৌ কাবা চৎপদা তারকলে। ওস্তোক্না নুংঙাইখ্রেদা ওঝা! মাংদদি উপু বাক্নি মচাগুম্না অমতমক শিগ্রি অত্তুগা মত্তুদা রা ঙাংলবপা, ঈশৈ শকলকপদি ওস্তাকনা হৌনা হৌনা লাওবকখ্রে।

রাজেন—চুমই, অদম্বনি। যাম্না ঙকপা বিজ্ঞানগী পাম্বনা পুথোরকপা খুৎলাই অমনি। হাযবিবা অত্তুগা চপ মান্নবনি, ওঝা শাজোনা পুবক্কদোরিবা অত্তুস্থ।

(তনৌ কত্রংচাক মশা অমা পাইত্তুনা চংলকই)

তনৌ—ওঝা! লাই উমংগী অবাংথংবদা কত্রংচাক ৫০ মুক শম্বল নমথেকতুনা শন্না থুদেকলমলে ওঝা।

(রাজেন্দা কত্রংচাক মশা পী)

থোংলেন—(শাওনা ফুক হৌগৎতুনা) কনাগী শন্নি হাযবগে তনৌ? অত্তুক য়াম্না রানা জঙ্গল কোকতুনা খুল চংত্তুনা থাখ্রগা মশন থাজিল্লিবা মী অত্তুবু মাগীদি মপোৎ নত্তে হায়ত্রা? কনানোমে?

তনৌ—থংদে, কনাগী শন্নো লাবা চিগোনবা অমগা অযোম ৩৪ গনি।

থোংলেন—অত্তুবু নংদি মরুফংনা থিরকপা য়াত্রা? নহানস্থ অত্তুক রানা শারবা খুন্দোনগী মীথুংশং অসি, লৈরং মথৈ লোইনা

রাইখাইরম্লবনি। কনাগীনো হংনবদা তুমিন তুমিন হেক্তা য়েশিন্নখিবা। ওন্থোকপনি খুঙ্গং অসিগী মীশিং অসি।

রাজেন—য়াম্না চমই খুরা থোংলেন্না শাওরিবা অসি। অদুবু হৌখ্রবা থোকখ্রবা থবক্কি, তৌজিক কান্নবা লৈত্রে অদুনা হৌজিক নমথেক্লিবা শম্নন অদু হয়েং অয়ুক চাকচামাংদা ময়াম অমুক্তং থিংলুসি। অদুগা হৌজিক তনৌনা হায়রিবা পাম্বী ৪০।৫০ মুক থুদেক্লে গায়রিবা অসি লোইনদি শিরোই হায়না খল্লি, অদুমকপু শিখ্রবসু সরকারগী কত্রংচাক য়োকপা অফিসনা ঐখোইদা পিরকপা পাম্বী ১,৮০,০০০ নি অদুনা পাম্বী ৪০ অমা ৫০ অমা শিবনদি ঐখোয়দা থোইনা অমাংবা ওইবা ঙম্ররোই।

খুঞ্জা অনা—অদুবু ওঝা! ঐখোয়গী খুঙ্গং অসিদি লোইনা কত্রংতিন য়োরবা ঙাক্তনি, মাগা মাগী শরুক য়েন্থোকপদি নত্তবনিনা হয়েং ভুদা খৎনরক্লোইদ্রা?

রাজেন—কনাসু খৎনরোই মরমদি খুন অসিদা য়ুমশিং ৩,০০০ ফাদে অদুগা থারিবা কত্রংচাক পাম্বীদি ১,৮০,০০০ নি খুন অসিদা নত্তনা য়ুয়োন্নবদা লৈরিবা খুন ময়াম অসিনা চংদুনা হেক্লবসু লোইবা ঙম্ররোই।

থোংলেন—ইবুংঙো রাজেন! নহাক্কী হোৎনবনা ঐখোই খুঞ্জা পুন্নমকপু খুদক্তা নিংবা থুংহনবা, মিৎকী মাংদা হেক হেক উহনবা অসিদা ঐখোই পুন্নমক্কী মুংঙাইবগী ঙমখে লৈখিদ্রে। নোংমদি শোইদনা মৈত্রবাক অসিদা পালেম খুঙ্গং অসি য়েংনফম ওইগদৌরি।

রাজেন—অদুবু খুরা! মী পুন্নমক্কী য়েংনফম ওইরবদি য়াই অদুবু

লাক্লবা, চৎনবা লম্বীদি লৈত্রি অদুগা ঐগী পুন্সিগী রাশক অরোইবা পম্বেংস্থ অসিনি।

ময়াম—করিবুনো ওঝা? ঐখোই ভাব তাবা ঙমদ্রে ওঝা?

রাজেন—হায়বদি "লম্বী শেম্বা"।

ময়াম—(লম্বী শেম্বা ইনিন নিংগ্নি) ফে ওঝা মরু ওইবদি অদুনি। শেমসি ওঝা।

রাজেন—অদুদি ময়াম পুম্নমক অমুক্তা তাবিয়ু। হৌজিক চহি অসিমগী মনুংদা ঐখোয়না পাংথোকপা ঙমহ্নিবা, লোইখ্রবা থবক (১) খুনগী পুখ্রি তৌবা, (২) ঈশিংখোং শেংদোকপা, (৩) জঙ্গোল হাইদোকপা, (৪) কত্রংচাক থাবা, (৫) মীথুংশং শাবা অসিনচিংবা থবক কয়ামরুম পাংথোকপা ঙম্লিবা অসিদি থোইনা চাওবা থবক নত্তে অদুগা য়াওনিংবা কয়ানস্থ য়াওখি, য়াওনিংদবা কয়ানস্থ তোকখি। অদুবু হন্দক লম্বী শেম্বগী থৌরাং অসিদি চাওখ্রবা থৌরাং অমনি। ঐগী পুন্সিগী নিংজবা অরোইবা থৌরাংস্থ অসিনি ঐনা হোৎনবগী ঙমখৈস্থ অসিদা লোইরবনি। অসিদা খুল অসিগী নহা অহল অঙাং নুবী খাক্তনা লিংজেন মান্নবা চোংথোক্লরল্লবদি ঐনা চৎত্রিবঙৈ মমাং থা তরুক অসিদা লোইবদি য়াই হায়না খল্লি অদুবু পুকচেন মান্নবা, লিংজেন মান্নবা নত্তনদি অসিগুম্বা অচৌবা থৌরাং অসি পাংথোকপা ঙমগনি হায়বা আশা উদে।

শম্ফবা—ওঝা। ঐখোই অস্থক য়াম্লিবদবু মী ৪।৫ চিংথহৌবনবু করি তৌগবনো। নুমিৎ খুদিংগী অম্বুক্তগী চাকওন চাদুনা শুরবদবু মরাইনা লোইজনিদা ওঝা।

থোংলেন—ইবুঙো! অস্থক য়াম্বা থবক ঙম্লরুবদবু, ইবুঙোনা থরাই

য়াওনা লমজিংবীরবদি ইলাই লাইনা ঙমগনি হায়না থল্লিদা খুরাখোইদি।

রাজেন—চুমই, অদুবু ঐস্মু চৎকদবা থা তরুক্তা মঙাইরে। অকরুবা মতম খরদং অসিদদি ঐনা কনাবুস্মু চিংথহন্নিংদে। খৎন-চৈনবা য়েথাই থিঙ্গায়বস্মু থোবহন্নিংদে। ঐগী থৌরাংস্মু অরাইবনি চাওরবা থৌরাং অসিগী মপুং ফাহনবদি খুঙ্গাশিংগী মথুক্তা তারিবনি অদুগীদমক্তা ঐনা য়াম্না কীরিবনি।

ময়াম—ওঝা ক'রিমক্তা কিবিরুগন্নু, ঐখোই ময়াম রাশক্তুনা হায়রিবা অসিনি শোয়দনা ঙমগনি, শোইদনমক শেম্মসি ওঝা।

রাজেন—থবক অসি খজিক খরাক্কী থবক্তি নত্তে। সরকারগী শোরোক কাংপ চিংখোং মেন রোড কোলাস থাবা অসিদগী হৌরক্তুনা ম ইল অহমলোম শাংনা মথা খুন্দোন য়োবা ফাওবা শেমগদবনি, •রক মরক্তা ঈশিংখোং কয়াগী মথক্তস্মু থোং শাগদবনি লরক মণ কথাস্মু শেমহোৌগদবনি। কয়াদা চাওখ্রবা থৌবাংনো ? তৌববুদি ঐনস্মু ভারত সেবক সমাজগী প্রসিডেণ্টত নহারোল ১০০ মুক্তগা মতেং পিবিয়ু হায়হুনা চে অমস্মু ইজখি।

খোংলেন—লোইরে, লোইরে ইবুংঙো! মাখোই অদুগনা য়াওবিরবদি থা তরুক্তু হায়রন্মু থা অহুমগী মনুংদা লোইনা লোইগত্রা হায়না থল্লি। অদুদা লুবা অমতংদদি, পাঙ্গল ঙাক্তনদি য়ারোইদো চংগদবা পৈশা-নুংশা অদুনিসে।

ময়াম—থবক থোল্লগা পৈশা মরাইনা লাকচনিয়ে, য়াম্না খন্নমনখ্রে হেক্তা হৌরসে।

রাজেন—(হবাওনা) ময়ামগী মোংবু ঙাইরম্বনি, হৌজিক মতুগী থৌরাং পুম্নমক লোইরে। হৌথিবা চহি অসিমগী মনুংদা ঐখোই

নহারোল ক্লবকী মুস্তি ভীক্ষাগী চেংনা হৌজিক চেং মন ১০২ সের ১৫ অদুগা তেংবাংবদগী লাকপা ফম্না লুপা ১,৫০০৲ শুরে। হৌজিক ওঝা শাজোগী মখুত্তা লেংদনা লৈরবনি। পুম্নমক অসি লম্বী শেম্বগী অনৌবা থৌরাং অসিদা লোইনা শিজিন্নরগনি অদুগা লম্বীবু ফাত্তোকপা, থোং শাবা, থোনবব লোইরবদি মুং থাবা, কোলাস থাবগী থবক্তি ঐখোয়না মণিপুর সরকারদগী মতেং নিজসি। সরকারনস্মু থবকতুবু উরবদি হেক্তা শেল পিরগে হায়রিবনি। অদুগা হন্দক্কী লম্বী শেম্বা অসি হেক হৌবদগী লোইদ্রিবা ফাওবা, কনাবুস্মু ময়ুমদগী চাক চাতুনা লাকহল্লোই, কনাবুস্মু মরম্নাই খর্চ্চা তিংহল্লোই। খুল অসিগী মুপিমচাশিং মথৈনা ঈশিং হোনবা চাক থোংবগী থবক্তা শিজিন্নগনি অদুগা মুপা মচা মথৈনা শিং-য়েন খাইবা, নোম-লিকপনচিংবা চানবগী থৌরাংদা শিজিন্ন-গনি অদুগা অহল লমন, পাখং লৈশাবা মথৈনা মাই ওন্নদনা লম্বী শেমগনি।

চংনিং—ওঝা! ঐদি লম্বী শেম্বদা য়াওগনি, ওঝা।

থাবল্লৈ—ঐস্মু ওঝা।

চাইবী—(ফুক হৌগৎলকই অদুগা বা হায়বা ঙমদতুনা নোকতুনা ফমথখি)

শক্ষবা—ওঝা! হন্দক্কী থবক অসিদি য়াম্না মুংঙাইগদৌরিবা পোৎনিনা, খুন অসিগী কির্ত্তন্দা তারেদনা।

রাজেন—মানি, শক্ষবা! কির্ত্তন্দগী হেন্না চাওনা তৌগনি। ঐগী পুন্সিগী অরোইবা থৌরাংগা লোইননা মৈতৈ লৈবাক পুম্নমক শিন থুংনা খংহনগনি, কুম্মৈগুম্না যেংহনগনি।

ময়াম—(হৰ্ৰাওতুনা) ওঝা! হৌরসি, কৈদৌঙৈনো হেক্তা তৌরসিঙ্কা ওঝা।

শাজৌ—(মপান্দগী হয়াওনা) ওঝা রাজেন! ওঝা রাজেন! রেডিও পুরকলে।

ময়াম—রেডিও পুরকলে, রেডিও পুরকলে। (ইরাং লাংনৈ)

শাজৌ—(চংলকতুনা) ওঝা! ময়ামগী মরক্তগী অসিনা খ্বাইদগী ফৈ খন্দুনা পুরকলবনি।

রাজেন—ওঝা! মপোৎ মচৈদি লোইনা শুনা পুরকইদনা?

শাজৌ—লোইনা শুনা পুরকই। ওঃ অদুগা চিঠি অসিমগা।

(রাজেন্দা পীবা)

ময়াম—খোংঙসি, তারসি ওঝা। (ইরাং লাংই)

রাজেন—ময়াম পুন্নমক! অমুক্তা তুমিন্না লৈবিখো। ঙসাই ঐনা হাযবা থবক পাংনবা নহারোনশিং হায়বা অদুস্থু কালেন ছুটি মনুংদা, জুনগী তাং ১৮ দা লম্বী শেম্বা পাংবা লাকনি হায়না প্রেসিডেণ্টনা চিঠি থারকলে।

ময়াম নুংঙাইরে ওঝা! শোইদনা ঙম্মনি ওঝা। (খুবাক খুবা) হৌজিক্তি রেডিও তারসি, ওঝা।

রাজেন—ফরে, ঙসিদি অসিদা তারসি, মণিপুরগী পাও লাকপা পুংফমস্থু যৌবে। (পানথংনবা হোৎনবা)

ছাত্র ১—ওঝা! মসিবু লন্নাই লৈবদা ফাব্রা?

রাজেন—করিগী ফাকুনি, লৈবীয়ু হাযদুনা থওইনা হারিবনি। শেল লৈতবগী ঙম্নদবনি। ইনাক কৈরাক খুনবা মীদি রেডিও লৈনৈ। আমেরিকাদদি ইমুং অমদা চাকখুম হেক তোঙানবদা রেডিও অমমম লৈনৈ। য়াম্না কান্নখ্রবা পোৎনি। ঐখোয়না মফম অসিদা ফম্না ফম্না পৃথিবী অসিগী পাও তাবা ফংলগনি। ঙসি ঐখোয়না লৌরাই থরাইদা, ইম্ফালদা তৌথিবগী পাও হৌজিক লোইনা তারগনি। কয়া কান্নখ্রবনো!

ছাত্র ১—অদুদা মৈতৈরোনদি ফৈদো। মীগী মরোন্দনি.........।

রাজেন—অদুনবু লাইরিক তম্মু শিংবা হেল্লি হায়নরিবনি। অরেম্বদা লৈপুংদা ফমদুনা মতম মাংহনববুদি ক্লবতা চংদুনা লাইরিক পাগনি, খবর পাগনি, পাও তাগনি। অহৈবা অখংবনা পারগা নখোয়না ত হৌবদসু কান্নবনি। ফরে, ঙসিগী পাও করি করি লাকপগে তারসি।

রেডিওগী পাও

আকাশবানি—ঙসি তাং ১৫ য়ুমশকৈশা।

মণিপুরগী থৌরম শন্দোকচরগে। অহানবা খুদোন ওইনা রাসকী ইশৈ অমা তাবিরসি।

(ইশৈ)

(..)

ইশৈগী শরুক লোইজরে। পাওগী শরুক্তা—ঙসি অয়ুক ককচিংদা ছাত্র ছাত্রী ৫০০ না পুন্না লম্বেল শেম্বগী থবক হৌখ্রে। খুঙ্গাশিংনা থবক অদুদা মতেং পাংদুনা নিংথিনা থবক শুবা হৌখ্রে। থৌনা ফবা, থবক শুনিংবা মতৌ উবদা ভারতকী তুংগী য়াইফ-থৌরাংদা মাই পাকলগনি হায়না সরকারগী কাংবুনা থাগৎখি। মোইরাংদসু খুনগী থৌরাংতনা স্কুল অমা ঙসি অয়ুক শংগারে। অরাপ্পদগী লাকপা ছাত্রশিংনা লৈনবা, ছাত্র ৫০ রেম চনবা শঙ্ ৪ সু থা অসিগী মনুংদা লোইদুনা অরাপ্পা খুনদা লেবা ছাত্রশিংগী খুদোংচবা ফংলগনি। চীংগী মফম খরদা উচিনা মহৈ মরোং মাংহনদুনা চাথোক হন্থগদ্রা খনবদগী মণিপুর সরকারনা অনৌবা বৈজ্ঞানিকী খুৎলাই অমসুং হিদাক মফম ৩০ থোক্না থাজনখ্রে। মণিপুর সরকারনা হন্দকী চহিদা থোং ১৫, কোলাস খাবা লম্বী মাইল ২০০

শন্দোক্লবা থৌরাং তৌবা লোইখ্রে হায়নসু পাও অমা ফোংলে। ভারতকী অচৌবা লৌমীশিংগী সভা অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়বীখি—লমদি পাকথোকপা লৈতে, চাবীনবা মীশিংনা অসুম হেনগৎলক্লি অদুনা লৈরিবা লম অসিদা চহি অমদা চাথোক অনিরক থোকহন্নবা হার হাপ্পবা হারগী কারখানা মশিং হেনগৎনবা থৌরাংসু লোইরে। ভারতনা অনৌবা লানগী খুৎলাই থমদুনা পৃথিবীদা ঈপাই তানবগী অরাবদু পামদে মদুগী মহুৎ্না মীওইবগী শেৎপা-চাবা মনিংতম্না নুংঙাইনা পান্ননবা অনৌবা খুৎলাই লৈগনি শাগনিসু হায়খি। নুংশিৎ নুংশাগী পাও—পুং ২৪ গী মনুংদা মনিপুরগী খা থংবা শককলোমদা নোং খরা তাবা যাই। ঙসিগী অকাশবানিগী থৌরাং মতাং অসিদা লোইজরে। হয়েং অয়ুক্কী থৌরমদা রাজেন সিংহনা ইবা "পলেম খুল উকবদা" হাযবা শৈরেং, মথং ইশৈ, মথং পাও।

মোনো—ওঝা! হৌজিক রা ঙাংলম্লিবদুবু কদাইদগীনো চান্নমক্কী মীরা?

রাজেন—মী নত্তবদে। মোনো লাইরিক লাইশু তমদুনা হেৎ-শিংলবদি রেডিও অসে নংসু লান্না শাবা ঙমগনি। হয়েং অয়ুক্ক এরনা ইবা শৈরেং অমা লাক্কনি লাওথোকখ্রেদনা অদুমঙাই নংসু হেবু হরবদি। ঈশৈ হৈবসু ঈশৈ শকপা য়াই।

চংনিং—অদু ওইরবদি ইতা চাইবীসু শকহনবা তারে।

(মযাম নোকপা)

[থাংমৈ মুৎপা]

তশুনা উৎপা

লবূক

ন্মমিদাংৱাইরম

লিরিবা নুংশিংনা হাংলবা লবূক্তা চরুখোক মরক্তা খোঙ্গেল য়াওনা হুম্লি। শাবন্দা হৌবা হৈনৌ পাম্বী অমদা ঙাদুনা রাজেন ময়ুমদা পিনবা চিঠি ইরি। খুল্লাকপগী মচানুপা চাইবী লোন্না থোরক্কুনা হৈনৌ পাম্বী মরুমদা লুম্লগা লোন্না মুনা মুনা য়েংলি। রাজেন ইবা লোইরদনা ৱাইতিং পেদতগী চেনা শেংকে হায়গৎলকপদা চাইবীনা লাক্কুনা চেনখ্রে, মখোই অনি হৈনৌ পাম্বী অদু কোইনা কোইনা তান্নবদগী অমুক মাইক অমরোনদা হন্দুনা চেন্নরকপদা থেঙ্গায়নদুনা তুনরে।

রাজেন—(লোন্না য়েংলম্লগা ৱাস্থশিন্নদুনা) উঃ! (তুথখি)

চাইবী—(নুংশা থিনা চেনশিল্লকতুনা রাজেনবু কোনশংলগা) রাজেন! রাজেন! করি তৌরে।

রাজেন—(রাজেন মমিং উশিনবদগী পাংথানগা) খংব্রা? নোংশাগী মমাংদা শক্তি মচানা খোশাবা, চেনবা ঙমব্রদো।

চাইবী—হেঃ হেঃ তৌশিন্নরিবোইরে।

রাজেন—হোয়, হোয়, তৌশিন্নরি। অদুবু তৌশিন্নবগী লাংদা থুবা শক্তি মচা নাম্থোকপা ঙমদ্রে।

চাইবী—তৌশিন্নবা! কল্লকচাওবা! ইবুংঙো! লৈমকোন নিংথোকোন্দা শাৎপী লৈৱাং কনাদা, নুংশি নপাও থাগদৌরি?

রাজেন—থাফম নৈতে, পোকমিন্নবী ইচন্দা।

চাইবী—নতাৎ তৌশিন্নগম্নু, শাজৎ হৈবা খোইমুগুম উন উনা ননম লৈগম্নু।

রাজেন—ঐনা হায়বা থাজদ্রবদি, পাও পারগা খংগনি।

চাইবা—(চিঠি পারগা লৈংশি চিঠি ওইরমদ্রবা অংদা হরাওমনখ্রুদনা রাজেনগী পুমাংগী শম অদু পাইরগা ফং ফং হায়রগা) খংব্রা ?

রাজেন—অদু াদ নাবিদেনে। ঐনা য়াম্না নারিবদি অসিদনি।

(মথবাক্তা নানৈজে)

চাইবা—কদাইদনো ? কদাইদা নারিবনো ?

রাজেন—(চাইবীগী মথুং পাইদুনা চিংশিনগা) অসিদা আ মনুংদা।

চাইবা— মথু থংশং শাদুনা খংখ্রে! কৈদৌ ঙাওশিন্নরিনো ?

রাজেন—চাও শন্নবা নত্তে, খাঙ্গেংশেংবনি চইবী! নুংঙাই য়াইফবগী শচাদ লীগী অরাবা খবীবাবোই। মতিক চাদবা মহাকসে বাজবনা মপুন্সি লোমসনু।

চাইবী—অদুব করিনো হায়রোবা ?

(বাজেনগী ফুরিংথাওদা মানা পাইবকপা লৈ চবোং অদু থেংচিল্লি। মতম অসিদা কামু, যাত্রা চ লকই। লৈ থেংচিনবা অদু উংহৌরে)

কামু—(শাওনা) চাইবী, কৈদৌরিনো ?

(চাইবী খুমফম থংদহনা ঙকচানদুনা লৈরিবৈদা রাজেন্না)

রাজেন—লাইরিক তন্বীরি।

কামু—শাওনা) লবুক্তা। (চাইবীদা) চৎসি লাও, পাবানা থীরসো হায়দুনা লাকইবনি।

চাইবী পুদুনা চৎলি। কামুনা বাজেনগী ফুরিংথাওদগী লৈচরোং অদুমু শংদুনা পুৰি। চাইবীনা লোন্না মাগী নাপ্পদগী নাচোম অদু অমুক লংঙকই। বাজেন্না খুনগৎপগা, কামুনা অমুক রাজেন মথুত্তগী মুন্দুনা পুথি। রাজেন নোকদুনা লৈহৌই।

[থাংমৈ মুংপা]

৪শুবা উৎপা

লম্বী

নুমিদাংবাইরম

লম্বী মযাগী খোংনাং মখোং অমদা ফমলদুনা থোংলেন খবর পাদুনা লৈরমই। লৈরাং খুন্নোগী গুলাপসিং চংলকই।

গুলাপ—ইবুংঙো থোংলেন। কদৌরিবনো ?

থোংলেন -তাদ, গুলাপ! কদাই চংলুই ? ঐ হকচিক লাংবোইনা খবর পারমইযে।

গুলাপ ইবুংঙোবু লইবক পাবা থোক্লববনে ?

থোংলেন—এখোযদি হাযকনু হন্দ্রবা খুঙ্গাহল ফাওবা লাইরিক হেখবদা হৌজক লাইবিওগা যওন্নদুনা লৈখ্রে।

গুলাপ—অদু মযাম্ন অদুক খুনা কদ ইদা তম্মুরিবনো হাযবনি ?

থোংলেন—এখোয খুনগা ওঝা, রাজেন্না স্কুলগী অঙাংশিংগী লইরিক তম্বীবদা নত্তুনা খুন অসিগা নগা, অহল, পাখং, লৈশাবী পুম্নমক লোইনা লাইরক হৈহল্লবনিনে। হৌজিক্তা মিৎ-মাই পাংবা হাযবদু ওইরক্লে।

(শম্ফবা চংলকই)

শম্ফবা খুরা! তারিখ কয়াগীনো ? এদু অমুত্তা পাজহৌগে।

(খবর লৌরগা পাই)

গুলাপ—আ? ! আই! শম্ফবা নংসু লাইবিক হৈরবরনে ?

শম্ফবা—(খবর পানা পানা হোয়, খুরা! খরা খরা পাবা থোকচরে।

থোংলেন—তাদ! ঐনা ঙসাইনা হায়বদুনি, শম্ফবা হোয়দি হায়রুম্মু খুন অসিগী মুপী অঙাং ফাওবা লোইনা ইবা পাবা ঙম্নবনিনে।

গুলাপ—ইসঃ কয়াদা মুংঙাইরিগবা ! ইবুংঙো নখোয়গী খুন্দদি অফবা মী লাকপা হায়বসে কয়াদা চাওখৎলবনো, কয়াদা য়েংবা মুংঙাইরবনো ? খুনগী পুখ্রি অচৌবা অসিনা শীরিকা চল্লতুনা ফজরিবা, কাত্রংচাক ইংখোল অসিনা কয়াদা চাওনা শেমখ্রিবা অতুগা ঈশিং খোংশিং অসিনা লুরিবা, লম-তুনা নাম্নরকইবা, হুরান-চিম্থি খৎন-চৈনবগী পাওসু অমতা তাখিদ্রে, ঐখোইদি ইকপু ইকাইশিল্লক্লে। ওম্থোক্লা থুনা জ্ঞান তানা, থবক খুদিংমক্তা চংখোন্না হোৎনরকখ্রে। ঐখোইগী খুন্দি কদায় হৌজিক্লা হেন্না হেন্না মুংশিনদবা, পুকচেন ফৎনদবা হেনগৎলক্লে। ইবুংঙোখোইগী খুন অসি য়েংলগা মুংঙাইগদবা মঙাইরে ঐখোইদি।

থোংলেন—অসিদা নত্তেনে তাদা ! মখুনসু নত্তবা অসিদা ওঝা অসিনা হোৎনবা অসিদি। হৌজিক মাগা লোইননা ঐখোইনা তৌরক্ক-দবা থবক অসি য়ামখ্রপোৎনি। মানা অফবা থবক্তা নিংহন্নবা লৈতনা নোংমা নোংমগী অনৌ অনৌবা উহনবা অসিদা ঐখোই খুপ্পা পুম্নমক অসি থরাই থাবা ফাওবা পাম্মুনদ্রবনি। হৌজিক অমুক ইনৌ নৌনা, কাংচুপ শোরোক্তগী হরাগাড়ী, শনগাড়ী চৎপা য়ানবা অচৌবা লম্বী অমসু শেমগদৌরিবনি।

(খুল্লাকপা, তোম্না, কামু যাত্রাগা লোইননা চংলকই)

খুল্লাকপা—করি ? করি হায়বা থোংলেন ! লম্বী শেম্বা, হরাগাড়ী থৌজিনবা, নখোই য়াওনা খুন অসি লোইনা মাং-তাকহল্লগেরা ? লম্বী শেম্বা, থোং শাবা, মী থাজিনবকা হায়না। কদাই চৎখ্রে মথিবোং চানিংঙাই লৈতত্রুনা, ওঝা ওইবা লাকপা, নংগী নিপা অত্রু ? করিগীনোনে মানা মাগী মথৌ লাইরিক ভদ্বীগেদি হায়দ্রত্রুনা, অমুক্তোইবা থৌলৈতবা, শুনিংদবা মী থরা খোম্লগা, মীগী থাইনগী অহল-লম্মন্না চৎমরক্লিবা, লুমা

হায়রমইবা, লাইরম-তিল্লম, উমং-রামং পুম্নমক অসি তৌহৈ তৌহৈদে খংদে, য়াম্থোকপগা-খোত্তোকপগা, ফুঙ্গিনবগা মেনশিন-বগা, অদুগী মরক্তা নখোয়স্থু য়াওরিবা। নখোই নশাদা লাইথুং পান্নিংব্রা ?

শম্ফবা—লাইস্থু, ফনবা শেম্বদি য়াবনিদা, লাইথুং পানবদি হায়রুম্বু খোইনা হরাওরমগনিদা।

তোয়া—হৈঃ শম্ফবা! করিগীনো নংনা খুল্লাকপগী চিম্থক্তা খুম্বদি নংগুম্বনা খুল্লাকপগী চিম্থক্তা খুম্বা নতিক লেব্রা? কাওরব্রা নং? শন অমোম অশোনবী অনিখক পুরদুনা খুল্লাকপগী লৌ উজগে হায়দুনা ঐঙোন্দা নে নে তৌরম্বদো।

শম্ফবা—কান্নদেদা খুরা তোয়া! মীমাংদা পংহায় হায়দোক্লরগা, নংনা ফিক্ক তৌদুনা খুল্লাকপদগী ফৌ থপনবা হোংনবদা ঐখোইবু খুৎলাই ওইনা শিজিন্নরম্বা নত্রা ?

তোয়া—য়েংউনেসে, মচিন অসি কয়াদা থীখ্রবনো।

কামু—হেরা খুরা তোয়া! অথিবা মচিন অসি হেক শুগাইরগা মরাইনা ফজখিগনি।

শম্ফবা—ইসঃ সংসার অসিদি অকনবনা মচাওরবোইরে। শামুখোই সিস্থু কল্লিদা অদুবু মউৎনা কাটি মচা অমা হেক থাবদা ওঃ খোংদুনা মচেল্লি।

কামু—(শাওবনা নুত্তোন শাংথিদুনা) করি শম্ফবা! নং নথরাই মাংনিংব্রা ?

খোংলেন—করিনো, করিনো, ইবুঙো যাত্রা? রাগী রা চুম্না ঙাংনরগা লোইরে। অঙাংশিংবু অদুম্না কিহল্লবদি, খুন অসিদি অশোনবা লৈহৈদ্রেনা। অদুবু ময়ামগী শক্তিনা অমগী শক্তিদগী হেল্লি হায়বা অসিস্থু থক কাওগম্বু।

খুল্লাকপা—ইয়া! থোংলেন! নংনা ঐগী মাংদা ঐগী ইচা ইনাই ব্রারকপদি করি নথৌ লৈ। খুল অসিদা ঐ লৈ হায়বসি নথোই কাওব্রা? নংস্তু য়াওনা মনুংদা শরৌ শিল্লম্লিবোইরে। ঐ খুল অসিগী মপুনি থংদ্রা। কৈ থংগনি, মতুং অসিদা লম্বী শেম্বা, থোং শাবদি হায়রুস্তু খুল অসিগী ফীভম কাইবা মওং অমতং হেক উবদা, খুল্লাকপা ঐগী ইতিক থংহনগে।

থোংলেন—হৌজিক অসি অঙম্বনি, অচৌবনি হায়দুনস্তু ময়ামগী মথক্তা নেৎতুনা পানবা মতম অদু নত্রে, পুম্নমক পুকচেন-খোইজেন তিন্ননা অফ-ফত্তা পুন্নমক তাথোক তাশিন তৌদুনা লৈমিন্ন-রগদবা মতম্নি।

খুল্লাকপা—অচচ্চা! মাগুম্বনস্তু ঐগী চিন্থক্তা খুম্বা শারিনে। থংগনি ঐনা হৌজিক করি তৌবা ঙম্বগে হায়বা অদু নমিৎ থিৎনা য়েংউ। লম্বী শেম্বা, থোং শাবা হায়য়ে, কামু ইবো! চৎলু, মাখোইনা খুন্দোন্দা মিথুংশংনি হায়দুনা শারিবা য়ুমশিং অদু ঙসিগী নুমিত্তা মৈ থাদোকউ। লাই উমং য়াম্থেক্তুনা কব্রংচাক থারিবনি হায়দুনা তৌরিবদো শম্বল থুদেক্তুনা ঐগী ইরোই ময়াম অদু থাজিন্দুনা নৈখাইহল্লু।

থোংলেন—করিনো খুল্লাকপা! খুনগী খুল্লাকপনি হায়দুনবু অদু য়োনা নাপন তৌবা? খুল্লাকপনি খুনগী অফ-ফত্ত পুন্নমক তাথোক তাশিন তৌনগত্রা হায়রগা, অসি য়োনা রানা হোৎনরক্লিবা অসিবু অরেম্বদা মাংহনগদৌরিবা। ফৈ খুল্লাকপনা ঙমলে থুগাইয়ু, মাংহল্লু, মৈ থাদোকউ ঐখোয়না ঙমলে খুল্লাকপা নফম লৌথোক্কে।

খুল্লাকপা—অচচ্চা, নতিক করি লৈদনা? চৎলুনে তোয়া, কামু ইবো চৎলুনে. ঙসিগী নুমিৎতা মমিৎ থিৎনা য়েংহনসিনে। খুল্লাকপা ইগুন থংহনগে। চৎসি লাও।

(কামু যাত্রা, তোয়া মফি ভাথৎতুনা খুল্লাকপগা লোইননা চৎখি)

থোংলেন—(হুংশা থীনা) শম্ফবা ইবো ! করম তৌসিগে ? হৌজিক্তি তৌবা ঙম্বা, শক্তি লৈবা কাংবুনা, ঐখোইনা অসি য়োনা রানা শেমগৎ শাগৎপা অসি মিকুপ অমগী মনুংদা মাংহনখিবা তারে। করি উপাই তৌসিগে ? চৎলু ইবো, হৌজিকমক পাও অসি ওঝা রাজেনগা শাজোগদা তাকলু।

শম্ফবা—অদুদি খুরা ঐ চৎলে। (ফিংনা চেনখিবা)

থোংলেন—গুলাপ ! নংস্থু তারেদনা, ঐ পম্বা য়াদ্রে। তাদস্থু হল্লো।

(গুলাপ চংখিবা। শম্ফবা থুনা রাংনা অমুক লাকপা)

শম্ফবা—খুরা ! ওঝা রাজেন অসিদা থেংনরে, খুরাগী নাক্তা লাক্রে।

(রাজেন চংলকই)

রাজেন—কমদৌবা খুরা ?

থোংলেন—ইবুংঙো ! তৌবা ঙম্বা, শক্তি লৈবা ঙাক্তনি। মরল লৈবনিনা ঐখোয়গী খুল অসিগী মী নত্রবস্থ অতৈ খুঙ্গংদগী মীতোপ নেক্তুনা অসি য়োনা রানা শেমগৎ শাগৎলিবশিং অসি মিকুপ অমগী মনুংদা উৎ ওনখিবা তারে। অরেম্বদা লোইনা মাংখিবা তারে। করি উপাই তৌসি হায়বগে, ওঝা ইবুংঙো ?

রাজেন—উপাই ! (ঙহাক থল্লগা) ফরে খুরা ! অস্তুম তৌরসি মাখোইনা মৈ থারগদবা অসি অয়ুক মুংথিন্দদি ঙম্মরোই, অহিংদা শোইদনা থারবা য়াই। অদুনা স্কুলগী অঙাং খরগা খুঙ্গাশিং খরগা খুরাগা লোইননা য়ুমদগী লৈজ লৈজবা পুন বালটিনচিংবা ঈশিং থন্না থন্না পুরগা মীথুংফম শংগী অকোয়বা অদুদা লোন্না থুপ থুপতুনা লৈবিরো। মাখোইনা মৈ থারকপা মতমদা ময়াম চংতুনা হেক্তা কল্লসি অদুগা খুরা, য়ারিবা মথৈদি মাখোইগা খৎন চৈনবা থোক্তনবা হোৎনগদবনি। অদুগা থৌইদগী নুবা অমদি ঙসিদগী হৌনা কামু যাত্রাগা

তোয়াগা অনি অসি অঙাং খরা তুমিন্না থাদুনা মমুমদা লৈত্রা বদোমদা চৎপগে হায়বদু মতুং কোইন ইন্নদুনা য়াম্না কুপ্না শেন্নরগদবনি। অদুগা কত্রংচাক ইংখোল থুগাইগনি হায়বা অদুগীনা শম্ফবা নংনা স্কুল ছাত্রশিংগা খুপ্পা থরগা লোইননা ঙাকপা তারে।

শম্ফবা—অদুবু মতৌ করম্না ঙাক্কদগে অমুক্তা তাকপিয়ু, ওঝা?

রাজেন—মদুদ অস্তুম হায়না তৌরসি, ঙসিগী নুমিত্তা রা অশংবা যাল্লসি অদুগা মল্লনদা মে হোত্নুনা থমলগা রাশিং অদু মাখোইনা ইরোই ময়াম অদু হোইজিল্লকপা মাইকৈ খুদিং খুদিংদা পোকথাইহল্লবদি ইরোই ময়াম অদু মখোল তাবদা খংদুনা ওন্নতৈনবা মাইকৈদা লোইনা চেনখিবা য়াই হায়না খল্লি।

থোংলেন—ইসং চমখে, চুমখ্রে ইবুংঙো। উপাই হায়ববু লৈরদেনা কান্ন দ শম্ফব চৎলো, ওঝানা হায়রিবা অসি পাংথোকপা চন্ননবা, মযামগা তান্নদুনা শেম শারুরো। এস্তু মীথুংশংশিং অসি বন্ননবা মীয়াম খোমদুনা হোৎনকরগে।

রাজেন—অদুগা খুরা! মাখোইদগী লোন্না পাও লৌনবা মী থাবা হায়বা অদুদি শোইবা য়াবা নত্তেকো, খুরা! ঐ শাজোগীদা অদুমক লৈগে। খুদক খুদক্তা মী থারক্তুনা পাও পুন্নমক ঐঙোন্দা খংহল্লক্তবা য়াদে। ওঝা শাজোদা ঐ লোইনমক শিন্নরব্রগে।

থোংলেন—ফরে, ইবুংঙো! অদুদি মতম লৈত্রে ঐখোয চৎলগে।

(মাখোয় অনি চৎপা হোই)

রাজেন--(তুংলোমদগী) শোইবা য়াদেকো, খুরা!

থোংলেন—ইবুংঙো! ইবুংঙো!

(মাইকৈ মাইকৈ থোরক্‌খিবা)

[থাংমৈ মুৎপা]

শেরা উৎপা

স্কুল

অয়ুক পুং ১০ তাবা মতম

মপান্দা পুং তাবগী কাংশী মখোন্না নিল্লি। ছাত্রশিং পুন্নমক্না মাগী মাগী মফমদা ফম্লরি। মাষ্টর রাজেন চংলকই ছাত্র পুন্নমক হৌগৎতুনা ব্যবহার তৌই। ওঝানা Sit down হায়দুনা পুন্নমক ফমথখি। ছাত্র অমত্তুং ওঝা চপ মান্ননা হৌগৎতুনা জাতীয় সঙ্গীত শরুকই।

জাতীয় সঙ্গীত

জন গন মন অধিনায়ক জয় হে! ভারত ভাগ্য বীধাতা
পঞ্জাব, সিন্ধু, গুজরাট, মরাঠা, দ্রাবিড়, উৎকল বঙ্গ,
বিন্ধ, হিমাচল, জমুনা, গঙ্গা, উচ্ছল জলধি তরঙ্গ,
তব শুভ নামে জাগে, তব শুভ আশিষ মাঙ্গে,
গাহে তব জয় গাথা॥
জন গন মন মঙ্গলদায়ক জয় হে! ভারত ভাগ্য বীধাতা
জয় হে, জয় হে, জয় হে, জয় জয় জয় জয় হে॥

(জাতীয় সঙ্গীত শকপা লোইবা মতুংদা রাজেন্না Roll call তৌরকই)

রাজেন—Roll No. 1, 2, 3, 4, 5, 6 অসিনচিংবা। (**মন্নান্না** Present Sir **হান্নবা মথং মনাও নাইনা খুম্নরকই**) **ইনাওশা**! নখোই লাইরিক লোইনা শুনা লৈনরবরা? হংচিত্তগীদি স্কুলগী সেসন হৌরগদবনি।

মোনো—ওঝা! ঐগীদি ইতিহাসকা ভুগোলগতা ঙাইরে রাৎলিবা।

রাজেন—খম্বা! নংগীদি?

খম্বা—অমনবগা করিগা থারবদি ঐগীদি শুরে ওঝা।

অতৈ ছাত্র—ঐগীস্ন শুরে ওঝা! ঐগীসু শুরে ওঝা। (**খুম্নরকই**)

রাজেন—মোনো! করি তৌরে নহাক্তি হৌজিক ফাওবা লাইরিক শুনা লৈদ্রবদি? ময়ামদগী শোৎহোবা, হন্থহোবা হায়বা অসি ফত্তবনি। মতম পুম্নমক্তা মীকোক থোৎনবা হোৎনগদবনি। হন্দক পরীক্ষা অসি নখোই লোইনমক পাস ওইদি হায়ববু অতৈ ময়ামগা য়েংনবদা মোনো নংনা খরা শোল্লি। ময়াম অতৈদি ফাষ্ট ডিভিজন, সেকেণ্ড ডিভিজনগী নম্বর য়ৌনৈ। নং খরা কম্না হোৎনোকো। ঐনা মতম খরদং নখোইগী স্কুল অসি পুরবা মতমদা, নখোই খুদিংমক্তা ফেল ওইবা য়াওদনা নিংথিনা পাস ওইবা অসিদা ঐগী মুংঙাইবগী ঙমথে লৈখিদ্রে। নখোই খুদিংমক্তা ক্লাস ফোর অসি অমুক্তা নিংথিজনা পাস তৌরবদি নখোইগী খুল অসিগী স্কুল অসি মমৈদদি শোয়দনা এমঃ ইঃ ওইরকপস্নু য়াই। নত্রবস্ন নখোই খুদিংমক ইস্কালদা স্কুল অচৌবদা তম্বা ফংলগনি। অদুগা অমরোম্নদা ঐগী লাইবক থীবদি ঐনা নখোইগা তিন্নবা ফংগদবা' অসি মতম খরদা মঙাইরে। ঐনা চৎখ্রবস্ন নখোই খুদিংমক্তা থরাই য়াওনা লাইরিক তমদুনা খুল অসিগী চাওথৎপগী লম্বীদা নখোইনা লমজিংউ।

লাইবা—(হোগৎতুনা) ওঝা! ওঝানা চৎকদবু কয়াম ঱াৎলিবগে ওঝা?

঱াজেন—ঐনা চৎকদবা অসি থ. ৬ (তকুক) তা মঙাইরে। জুন থা লোইবদা ঐ চৎলগনি।

লাইবা—অদুদি ঐখোয়গী পাবখোইনা ওঝাগা লোইননা খুনগী লম্দী শেমগনি হায়বা অদুদি?

঱াজেন—চুমই, ঐনা চৎত্রিবৈগী মন্নুং অসিদা শেমহোগনি। খল অসিগীদমক্তা ঐগী অরোইবা থৌ঱াংসু অদুনি। মসিদা নখোই খুদিংমক্না একটিভ পার্ট লৌদুনা খুঙ্গাশিংগা লোইননা চাওরবা থৌ঱াং অসি পাংথোকপদা নত্তে পিগদবনি। ঐগী অরোইবা বাশক অসি নখোয় খুদিংমক্না থুংহনগনিদনা?

ছাত্রশিং—থুংহনগনি ওঝা। থুংহনগনি ওঝা।

঱াজেন—অদুদি, ঐ ঱া হাযগে, নখোয পুম্নমক পুক্নি চংনা তাবা। হৌজিক ঐখোয় নহারোল ব্লবকী মুস্তী ভীক্ষাগী চেং, তেংবাং-বদগী ফংঙকপা ফগু পুম্নমক অসি হন্দক্কী লম্দী শেম্না অসিদা লোইনমক শি জন্নবগদবনি। মসিনা লম্দী প্রাণবগা থেং শাবগদি ওক্লগনি হায়না খল্লি, অদুগা মতুংদা মুং থাবা অমসুং কোলাস থাবগী থবক্তুদি মনিপুর সবকারদা হাযজসি। মসিদা নখোয নখোয়না পুগদবা থবক্তি, খংবা!

খম্ব—(হৌগৎতুনা) ওঝা!

঱াজেন—নংনা খুলগী ময়াম অসিগী চান-থক্লবা অসিগী থবক্তা য়াম্না কুপ্না, হৈনা মী খুদিংমকপু মনিং থুংহনবা ৎম্নবা হোৎনগদবনি। নংগী নথাদা মুপামচা মুপীমচা ৫০ রোম লৈগনি য়েনশাং নাপী শেম্না থোং-থাকপা মতম চানা পিজনবগী থবক্তা মখোইগা

লোইননা নংনা পুগদবদি। অয়ুক পুং ৮ দা চাক পিগদবনি, নুমিদাংনা পুং ৬ তা চাক পিগদবনি। অদুগা মোনো!

মোনো—(হৌগৎতুনা) ওঝা!

রাজেন—নংনা নিপামচা ৫০ মুক্তা লোইননা শিং-য়েনগী থৌরাং, চাক চাফম শেম্বা শেংদোকপনচিংবগী থৌরাং চালুক লানচিংবগী মরমদা শোইদনবা হোৎনগদবনি। অদুগা নখোই অতৈনা শেমগদৌরিবা লম্বী লমশাং অসিগী মতুপ মতুপ খুদিংদা কাংবু কাংবুগী লীডর ওইনা খুঞ্জাশিংগী লমজিং ওইদুনা থবক শুমিংগদবনি। মতম্না অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা শুগনি। নুমিৎ য়ুংবা মতমদা পুংখাই অমা পোত্থাবা চাগী মতম কাইথোক্কনি। নখোই ভাব তারবরা?

ময়াম—খংজারে ওঝা! তাজরনি ওঝা!

রাজেন—থম্বা! এনা হায়রিবা অসি নং শেংয়দনা পুবা ঙমগনিদনা?

থম্বা—ঙমজগনি ওঝা!

রাজেন—মোনো! নংদি?

মোনো—ঙমজগনি ওঝা!

রাজেন—অদুগা থম্বা অমসুং মোনোদা শিন্নরিবা থবক অসিদি অমরোমদা য়াম্না লাইবা থবক অমনি। খ্বাইদগী লুবদি নখোই অতৈনা কাংলুপকী লীডর ওইদুনা থবক শুমিন্নবা অসিনি। মরমদি এখোইগী অস্নুক য়াম্বা থৌরাং অসি লম্বী শেম্বা অসিগীদমক্তনি। নখোইনা থরাই য়াওশিন্না অমদি খুঞ্জাশিংবু মপুক্কিং খোগৎতুনা কন্না শুহৌদ্রবদি কুমগী নোংনা হাল্লক্তুনা থৌরাং অসি অরেম্বদা ফেল ওইবা য়াই। মরম অদুনা চিংথং! লাইবা! নোঙানজাও! মংলেম্বা! নখোই ভাব তারবরা?

ছাত্রশিং—তাজরে ওঝা !

রাজেন—অদুগীসু মথক্তা অচৌবা থবক অমা পাইখৎপা হায়বা অসিদ য়েখাই থিংগাইবা কয়াসু লাক্কনি। পুকচেল মান্নদবা, ফত্তবা মী কয়াসু চোংথোক্লক্কনি। পুন্নমক অসিবু ঐখোয়না অচুম্বা লম্বীদা মাইয়োক্লবা হোৎনগদবনি।

মোনো—ওঝা ! হৌজিকপু ঐখোয়গী খুল অসিদা ফত্তবা মী কনা চোংথোক্লকখিগদগে ? চোংথোক্লগে হায়দুনা চোংথোক্লক্লবদা খুল্লাকপগা, খুরা তোয়াগা, কামু যাত্রাগা মঙাইদনা।

রাজেন—অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু অচৌবা থবক অমা তৌরবদি শোইদনা য়েখাই থিনগাইবা খরদি থোক্লক্কনি। মদুনি ঐখোয়না খ্বাইদগী চেকশিনগদবা।

লাইবা—ওঝা ! নহানগী কুম্মৈ অদুদি ঐখোয়দি ওস্থোকনা নুংঙাইখ্রেবো !

রাজেন—লাইবা ! করি কুম্মৈনোনে ?

লাইবা—নহানগী মীথুংশং মৈ থাবা মুমিত্তো, ওঝা ! কামু যাত্রানা খুরখুন মচা খরা শেল পিদুনা নেকলগা অরোনবা লম্বীদা মৈরা অমমম পাইরগা মৈ থাগনি হায়দুনা লাকই। মানা য়োরক্ত্রিঙৈদা চিংথংনা ঐখোয় পাও হান্না পিররে অদুদগী খুরা থোংলেন খোই ঐখোয খুঙ্গা ময়াম ঈশিং পুন পাইদুনা থোরাং তৌনরে। অদুগা য়ুম মৈ থাবদি হায়গকুগনু কামু যাত্রা অদু অরোনবা লম্বীদা লাকপদা উকুদা মখোং পুত্থদুনা মখোং তেকতুনা ঐখোয়না ময়ুম ফাওবা থিনবিকই। খুরখুন মচাশিং অদুদি ঐখোয় উবদা মফি তাখৎ তাখৎতুনা অদুম চেনখ্রে।

(ময়াম নোকই)

মোনো—হে ! হে ! নখোয়গী অদুদগী ঐখোয়গীনা য়ামনা হেল্লি কুম্মৈ মুংঙাইবা। খুরা তোয়ানা মখোই নিপা তরামুক্তা লোইননা খুল্লাকপগী ইরোই ময়াম অদু লাও খোংদুনা হোয়জিল্লকই। ইরোই ময়াম অদু মখা থংবা মাক্লুং তুরেন খোংবানলোমদগী কব্রংচাক ইখোল তমদুনা ফুজিল্লকই, অদুদগী ঐখোয়না বম্বুলা কাপদুনা কম্পর অরাংবকাদু লংখৎপদগী অরাংপাংনা চেনখৎখ্রে, অরাংলোমদগী অমুক কাপশিল্লকপা অদুদগীদি ইরোই ময়াম অদু হন্দুনা ময়ুম পাংনা হোৎখিবা হায়বা অদুদি, খুরা তোয়াদুস্থ নেৎখাইবিরম্লে, নিপা তরামুক্তুস্থ রায়ক্তা পনবা য়াও, ঈশিংখোংদা তাবা য়াও অমুক্তোইবা লোইখ্রে। ঐখোইস্থ খুরা তোয়াদো ময়ুম ফাওবা পোদুনা থিনবিরুইদা, ইরোই ময়াম্না ফুজিল্লকপদা খুল্লাকপগী মনিংথংবা কৈ অদু নিংখায়দুনা ইরোই ময়াম্না অদুম উসব খুলহোরে।

(ময়াম নোকই)

রাজেন—তো অদুনিদো ইনাওশা ! নখো ইনা কাওরোইদবা পাওরোদি। "মীগী মাংননবা তোরগা ঐগী হান্না মাংই।" "মীচা শিসন্থু নিংলগা ইচা শি" হায়বদু। ফত্তবা মী হায়বা অসিদি লাইনা খুদক খুদক্তা চপ চানা রারকপনি। নখোই থক কাওগন্থু। অদুগা হৌজিক্তি কালেন ছুটিস্থ থাগদোরিবনিনা ঐগী পুন্সিগী রাশক, খুলগী লম্বী শেম্বা হায়বসি নখোই খুদিংমক য়ারেদনা।

ছাত্রশিং—য়াজরে ওঝা ! য়াজরে ওঝা !

রাজেন—অদুদি মোনো ! নং "খুলগী লম্বী শেমসি" পুন্সি রাশক ঙাকসি হায়দুনা অমুক্তা লাওদনা।

মোনো—(বেঞ্চ মথক্তা লেপখৎলগা মখুৎ হায়গৎতুনা) "খুলগী লম্বী"

ময়াম—"শেমসি"।

মোনো—"পুন্সি রাশক"।

ময়ান—"ঙাকসি"।

(ছাত্র ময়াম্না হৌনা হৌনা লাওরে, রাজেন গুংঙাইবগী ভমখৈ লৈখিদ্রে

[থাংমৈ মুৎপা]

ঙশুবা উৎপা

লবুক লমহাং

লম্বী শেম্বা

মুংশা হায়গৎলক্লবা মতম্দি, নুমিৎকী মৈশা কনবনা খবক শুবা খুঙ্গা পুম্নমক রানরক্লবা, চোকথরক্লবা মতম্দি, মালং মুংশিৎ কনবনা লোইবী চীংগী মরুমদগী নোংত্রুম কয়া পাংথোরক্কুনা, অতিয়াগী অকোইবদা শান্নরি। মতম অসিদা পুক্লিং থৌগৎনা চংনিং লেম্বী ঈশৈ শক্লকই।

ঈশৈ (কোরস)—

নুপী— হোঃ মালং মুংশিৎ মাংওইনা
কুমগী নোংহৌ লাক্লে,
মুজা শিন্থা শুরসি,
পুন্সি লম্বেন ফাংহৌসি,
লাকও ইতা চান্নবীখোই,
খোইনৌ ইতাশা!

ময়াম— হোঃ শেমসি, হৈ-হা শেমসি॥

নিপা— হোঃ অনৌবা পুন্সি অয়ুক্তা,
নোনা শেন্বা থৌরাংদা,
চাংখৎহনসি মৈতৈ লৈমাও !
মালেম থুংনা ঙালহনসি :
লাকও ইতা চান্নবীখোই ॥

ময়াম— হোঃ শেমসি হৈ-হা শেমসি ॥

মুপী— হোঃ ইঙা নোংহৌ কনবনা,
মালেম শন্না চুদ্রিহৈঙ,
কনাগী থোদা ঙাইদনা,
পুন্সি লম্নি লোইহৌসি ।
লাকও ইতা চান্নবীখোই ॥

ময়াম— হোঃ শেমসি হৈ-হা শেমসি ॥

নিপা— হোঃ নংগী শরুক ঐনা লোম,
ঐগা শরুক নংনা লোম,
তম্বা থৌদং ঙমনসি,
পুন্সি রাশক ঙাকনসি
লাকও ইতা চান্নবীখোই ॥

ময়াম— হোঃ শেমশি হৈ-হা শেমসি ॥

(ময়াম পুমনমক খুংঙাইনা লৈপাক লোনবা য়াও, তৌবা য়াও অনৌবা পাঙ্গল হাপনবা কন্না খুগংনবকলিহৈ মতমদা মথা থংবা মাইকৈরোমদগী ফুরো ফুরো, হাংলো হাংলো হায়বা খোঞ্জেল্লা নিন্নরকলে। রাজেন থুনা য়াংনা চেঙ্খোরক্কনা)

রাজেন—কৈদোরে ? কৈদোরে ? ময়াম চেল্লকইবা অসিবো !

শম্ফবা—(মুংশা থীনা) ওঝা ! খুল্লাকপগী কাংবুনা ফুতুনা লোইনা তানখাইরে। মকোক কাইবস্তু য়াওহোরে, চৎপা ঙমদত্নুনা লম্বীদা তুংনা লৈহৌবস্তু য়াওহোরে।

রাজেন—ইমাইপেম্মা ! মাংলেদনা '

(রাজেন থুনা য়াংনা চেনশিনখিবদা কামু যাত্রানা রাজেনবু মকোক থুগাইরে। রাজেন লৈমাইথক্তা তুখবে, কামু যাত্রানা লৈমাইথক্তা চিংদুনা পুরে, খোংপাকনা কাওদুনা ইম্বোরকলে)

খুঙ্গা ময়াম—ওঝা রাজেন শিরে, ওঝা শরে !

(কন্না লাওনরকলে অমস্থং কপনবা কয়াম্ন য়াওনরক্লে)

কামু যাত্রা—(মখুত্তা চৈতুপ পাইবগা চোংথোরকদুনা) ফৈয়েং মচা ম'রন ফবা কনা কনানো। ঐগী মাংদা অতুক লেপপু। নথরাই লৌগে খংগ'নি।

(ময়াম্না রাজেন শিরে লাওনরকপা খোঞ্জন তাবদা, চাইবী, পম্মেই কাইনা, মথরাই থুবাক্তা হাপতুনা, মীয়াম মরক থাইদুনা রাজেনগী মনাক তাম্না চেল্লকলি)

চাইবী—রাজেন ! রাজেন '

(লৈমাইথক্তা তুংনা লৈবা রাজেন উবদা মখমবাক্তা কোনখংলগা)

ইসঃ করি মতৌনো তৌরম্লিব। অসি'দ মাংলেদনা, রাজেন '

(কপ্পা কপ্পা থম্মোইদা চেংনা কোনশিনখ্রে। মথাংদা পুল্লিকা ইনফা শেগাইদুনা রাজেনগী অকাইবা মকোক অদু পুনশিনখ্রে)

রাজেন ! নংনা ক'রি লাল্লুদুনা, কনানা নংবু অস্তুক থীনা তৌরক্লিবনো ? মাংলেদনা অ'সদি।

কামু যাত্রা—চাইবী ! নং চংথোকখ্রে। নংবু পোকপা খুল্লাকপগী মিংচৎ থিহনবা, মাং তাকননবা শি'ল্লিবা ; খুনগী থৌনাইদবা খোমদুনা ইরাং হোইহল্লিবা পুম্নমক অসি মাগী অনৌবা থৌরাং অসিগা লোইননা শিজরসনু।

(খুঙ্গা পুমনমক তিংঙক তিংঙক য়েংদুনা লৈনরে)

চাইবী—(অশাওবগী মৈনা চাকথেক্রবা মিংয়েংগা লোইননা) নং ওইরে !

নহাকপু এনা খুন অসিদা হৌমিন শাংশিন্নবা অদুগীসু মথক্তা ইপাগী মীনি হায়দুনা ইবুং অমগুমনা কাইদনা চংলকপনি। খুন অসিদা মাগীনি হায়দুনা হন্না য়েংবদা কনা লৈজদ্রবা, লমলাদ্ধা মচানি হায়দুনা লাকচ থিরিবা নত্রদো?

(নাকনদা লেপলিবা শব্দফবদগী থাংজো লৌরগা)

খুল অসিগী চাওখৎপগা লম্বাদা মথরাই ফাওবা পাম্ দ্রবা নিপাগী মথরাই লোগে খল্লিবা মারন ফবা নিপা অদু কনানো? লাও চংলকউ, ঙসি মাগা মাংথানা চাইবীনা শিগদৌরিবনি।

(থাংজং কন্না লাকতুনা থাংজো পাইদুনা চংশিনবা)

রাজেন—(হোগংদুনা) চাইবী! চাইবী! মাংলে, মাংলে, অদুম তৌববদি! এ কবিগু তৌদে (মখুত্তগী থাংজে মুল্লগা), চাইবী! নং করিগী থদুক শাওব। এগী পুন্সিগী রাশক্তা লোইননা অনৌবা থৌরাং অসি পাংথোকনবা হোৎনবদা করিসু লৈত্রবা মমল যাওদ্রবা এগী ঈ খরদং অসিনা বলিদান কৎপা ফংলিবা অসি এগী বয়াদা লাইবক ফখ্রবনো। মসিনা এগী খ্বাইদগী অপেনবনি, তন্দক্তী মপোক অসিগী কাওররোইদবনি। পুন্সি অসমগী শান্তিনি চাইবী!

চাইবী—রাজেন! (কপই)

খুল্লাকপা—(তোম্বাগা লোয়ননা হনা বাংনা চংলকতুনা) কামু ইবো! হৌজিক ফাওবা মথরাই লৌদ্রিবরা? হৌজিক ফাওবা লোইশিনদ্রিব্রনে ইবো! করি হেংলিবগেনে?

চাইবী—(মপাগী চিংক্ত) খুন অসিদা চাইবীনা হিংলিদৈদা রাজেনগী মথরাই লোগদবদি কনাগীসু মতিক লৈতে।

খুল্লাকপা—চাইবী! নংসু য়াওনা?

চাইবী—মানি, ঐস্থু য়াওনা। ঙসি ইথুনগী চাওখৎনবগী লম্বীদা চাইবানা লমজিংলি।

খুল্লাকপা—চাইবী! নং যাওনা কনাগী থৌইনশিন্দগী ইপাগী মাইথিনবা শিল্লি। নংদি খংদ্রমাল্লে, নংনা পিশক পিক্লিংঙদগী ইপানা নংগী অউন লৌনি তমখ্রবা তোফম আস য়ানখাইদুনা লম্বী শেম্লে। ঐবু অসি যৌনা উশিল্লবা খুল অসিদা, ঐনা খুল্লাকপ ওইদুনা লকুবগী কবি কান্নগনি। নং নত্তুনা ইপাগী কনা লৈবি। লৌক্লংহৌবসন্নু, যানখাইবসন্নু, মথোইগী মনিং থুংহৌবসন্নু, লাও ইপা ইচাদি চৎলসি লাও। অহল ওইরবা নপা ঐবু পুবরো লাওনে চাইবা!

চাইবী—খুনগা চাওখৎপা, খুঙ্গাংশিংগা মনিং থুংবনা খুল্লাকপগাস্থু মিচৎনি, হেন্না ফজবনি। ঐবু পোকপা ইপানা ঐনা পিক্লি-ঙদগী হৌনা এগাদমক তম্বাখ্রবা লৌফম অসি, খুলগা কান্নগদবা লৈরবদি, ঐনা লৌয়না চথোকচরবনি।

রাজন—চাইবী! (চুকপা থংখ্রে, লাইরেম্বীগুম থনখ্রে)

খুল্লাকপা—মানি, পিথোকখ্রা, যেন্থোকখ্রা লৌজহৌরসন্নু লোইনমক ঐ মফম অসিদা অমুক লনিংদ্রে, খুদং অসি থাদোক্তুনা কদাইদনো ইপা ইচা চৎলসি মানুংশ থংদ্রবা, কাংব শেম-দুনা মীগী মাংননবা শিনবা, অসিগুম্বা মফম অসিদগী থাপ্না চেনখ্রাস।

চাইবী—কদায়দা চৎকনি, কদায়দা চেন্নুগনি, পোন্নফম লমদমদগী হেন্না নুংঙাইবনা কদায়দা লৈবগনি। লাও পাবা! অসিদা চংলকউ এগী ইনাক অসিদা লপ্লো লাও, শোইদনা নুংঙাইবা ফংগনি। য়েংউ, নহাক্কী খুঙ্গাংশ অসি নুংশিদ্রা? অদুগা নংদি খুল্লাকপনি, পুকচেল চাওরবা, মশাগী ওইজবা থাদোল্লবা নিপা অসিগী তৌবিমলদি, নংদি করিনা লমন শিংগনি।

খুল্লাকপা — (থম্মোই পুন্নমক পেৎখ্রে, তথক তথকপা মিৎম্নেংদা মিৎকী ইরাগা লোইননা রাজ্জেনবু চেৎনা কোনখ্রে) ইপাগী ইবুঙো ! নংগী নফমদা ইপানা কয়া লানখ্রে, ইপাবু রারোগনুকো। (খুঞ্জাশিংবু য়েংলগা) ঐগী নুংশিরবা খুঞ্জা পুন্নমক ! অহল ওইরবা অফ-ফত্তা রাখল লৈত্রবা ঐনি নখোই পুন্নমক্কা ঐবু ঙাকপিয়ুকো। লাও থোংলেন ! অসিদা চংশিল্লকউ, তনিক তনিক্লবা থম্মোই অসিনা হকচাং অসিবু পুত্তুনা লেপ্পা ঙমদ্রে, নংবু কোল্লগা পোথাগে লাংগনে। (মহৌশা নুংঙাইনদবা মলোম পুন্নমক কাওথোক্ক-ত্তুনা থোংলেন, খুল্লাকপা অনি কোম্নখ্রে) নুংঙাইরে, পেল্লে, ঐগী ইচাংপী চাইবীনা, অহল ওইরবা মিৎ তাংলবা মপা ঐবু নৌনা অমুক মিৎ পাংহল্লে। লাওনে তোয়া ! নংস্থু, মৈতৈ লৈমগী চিদায়দা, লোইবী চৌংখোং চৌংয়া নকয়ানা, অশংবা ফীজোন্না লৈতেংবা পলেম খুঞ্জাও অসি ফজদ্রা য়েংওলাওনে নংস্থু।

(তায়া তপ্পা তপ্পা চংলকত্তুনা মযামগী মরক তিল্লরে। কামু যাত্রা শংত্রিক য়েংলম্লগা ইকাই নুংশি যাগ্রনা মমাই ওন্দ । চংখ্রে। খুঞ্জা পুন্নমক্কা নুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈখিদ্রে, চাইবীগী জয়ধ্বনি লাংখ্রে)

[থাংমৈ মুৎপা]

৭শুবা উৎপা

পলেম খুনগী কাংজৈবুং (লম্পাক)

নুংথিল

টেবল, চিয়ার ময়াদা মাইক্রোফোনসু পান্দুনা লৈ। খুঞ্জা ময়ামসু মুপী-অঙাং থাক্তুনা তিনবা হৌরক্লে। শাজোনা মিটিং হৌননবা কয়া শেম-শাবা লাকনরি।

শাজো—(মাইক্তা লাউরকই) ময়াম পুন্নমক ঙসিগী মিটিং অসি হৌনবা তৌরসি।

ময়াম—য়ারে, য়ারে! হৌরসি, হৌরসি।

শাজো—ঙসিগী তিনবিরিবা খুনগী ইপা-ইপলশিং, ইচিন-ইনাও পুন্নমক্কী মফমদা ঐনা নোল্লুকনা নিংশিংজরি। ঙসিগী Fare well মিটিং হায়বদি কাইনবগী মিটিং অসি ঐখোয়গী খুন্দা ওঝা ওই বিরম্বা, খুল অসিবু অনৌবা থৌরাংগা লোইননা কয়া শেমগৎ শাগৎপিরম্বা ওঝা রাজেন্না চৎখিবগীদমক্তনি। পুকচেল চাওরবা নিপা অসিনা মতম খরদং লৈবিরম্বা অসিদা খুল অসিগী অঙাংশিং লাইরিক তম্বীবদা নত্তনা খুল অসিগী চাওখৎ-নবগী লম্বীদা মথৱাই য়াওনা, কয়াদা রানা হোৎনবিরম্বা. অসি ঐখোয়না মপোক অসিমগী কাওররোইদবনি। নিপা অসিগী লমন অমদি তৌবিমল অসি ঐখোয় খুঞ্জা পুন্নমক্না মপোক অসিমগী তোলহৌরবনি। অসিগুম্বা পুকচেল চাওরবা নিপা অসিবু ঈশ্বরনা মতম পুন্নমক্তা য়াইফবা পিনবিসনু। অদুগা ঙাসগী মিটিং অসিগী সভাপতিগী আসন অসি ফৈয়েং খুনগী খুল্লাকপবু লৌবিনবা হন্না হন্না নিংশিংজরি।

থোংলেন—(হৌগৎতুনা) ঐনা সেকেণ্ড তৌজরে।

(**খুল্লাকপা চংলকতুনা আসন লৌগ্রে, মুপীমচা মুপামচাশিংনা লৈপরেং হুকগ্রে। ময়াম খুবাক খুম্নে**)

খুল্লাকপা—(হৌগৎতুনা) ঙসিগী মিটিং অসিদা শ্রীযুক্ত থোংলেন সিংহবু রা খরদং ঙাংবিয়ু হায়না কৌজরি।

থোংলেন—(চংঙকতুনা মাইক ময়াদা লেপতুনা) ঙসিগী তিনবিরিবা অহল লমনশিং অমদি ইচিন-ইনাওশিং পুম্নমক্কী মফমদা ঐনা নোল্লুক্না নিংশিংজরি। মাতুদি ঐখোয়গী খুল অসি মমাংঙৈদা ওইরম্লা ফীবম অতুগা হৌজিক্কী মতমগা কয়া খেন্নরবগে হায়বা অসি ময়াম পুম্নমক্না তশেংনা উবিরে। মসিদা খুল্লোন্নবা খুঙ্গা কয়ানস্থু কয়াদা থাগৎনরবা, অমরোমদা কল্লক্লবা কয়াস্থু য়াওবব, পুম্নমক অসি ঐখোয়গী খুল অসিগী ওঝা রাজেন্না শেম্বিবা ঙাক্তনি হায়বদা থোইনা অরানবা ওইরোই। অতুগা অমরোমদা ঐখোয়গী মুংঙাইতবা অমনা, অসি য়োনা চাওখৎ-পগী খোংথাংদা ওঝা অসিনা মাগী মথুনমক্লি খন্দুনা ময়ামবু মাংওইননা লমজিংবিরম্লগা, হয়েং চৎখিগদবা অসি ঐখোয় খুঙ্গা পুম্নমক্কী য়াম্না মুংঙাইতবা অমনি। অতুবু সরকারনা পিরকপা মতম লোইরবা অসিদদি ঐখোয়না লৈহন্নিংই হায়তুনস্থু ঐখোয়না অমুক পন্থনবা থাম্বগী শক্তি লৈত্রে। অতুবু ওঝা অসিনা খুল অসিগীদমক্তা শেমগৎ-শাগৎপিরম্লিবা কয়া অসি খুল অসিনা মাংখিদ্রিবা মখৈদি লেংদনা লৈরগদবনি। অতুগা তুংদা হৌরকপা নহারোনশিংনস্থু খুদমশিং অসি হেক হেক উবদা তত্তুনা ওঝা রাজেনবু কাওদনবা নিংশিংনবগী খুদম ওইহৌরসনু। (**ময়াম্না খুবাক খুই**) অতুগা ঐনা খুল অসিগীদমক্তা অরোইবদা হায়জনিংবদি লমজিংবিরম্লিবা ওঝা অসিনা চৎখ্রবস্থু খুঙ্গা ঐখোয় পুম্নমকনা পুকচেল মান্নবা, চহি খুদিংগী অনৌবা

থৌরাং কয়া পাংথোকপা, শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়াদা লিংজেন মান্ননা চৎথসি। থৌরাং খুদিংমক্তা মকোক চিংবীরম্বা ওঝা রাজেনবুসু নিংশিংসি। ঐ অসুবাইদা অসুম লোইজরগে।

(ময়াম খুবাক খুই)

খুল্লাকপা—(হৌগৎতুনা) ঐদি অহল ওইরবনি শিবগী নুমিৎ পাদুনা লৈরবনি, ইপোকথোক ইয়া লাংলবা ঐনদি করিসু ময়ামগী মতেং পীবা ঙমগনি থাজদে। অদুবু হে রব্লিবা নহারোল নখোয় পুম্নমক্না খুল অসিগী চাওখৎনবা লম্বী কয়া, অনৌবা থৌরাং কয়ানা মৈত্রবাক অসিগী মমাংদা পলেম খুল অসিগী মমিং লেংদনা থম্বা ঙমনবা হোৎনৌ। অসিগী মথংদা ওঝা রাজেনবু খরদং ঙাংবীনবা নিংশিংজরি।

(রাজেন চংলকতুনা মাইক্রোফোন ময়াদা লেপ্পা, ময়াম্না খুবাক খুই)

রাজেন—ইকাইখুম্নবগী মশক ওইরবা সভাপতি অমদি নুংশিরবা খুঙ্গা পুম্নমক! ঐনা ঙসি অমুক কʼরি হায়খিগনি, করি ঙাংখিগনি। ঐদি খুল অসি থাদোক্তুনা চৎপা তারে। ঐগী পুন্সিগী থৌরাং লোইবগা লোইননা ঐগী মতমসু লোইরে। চহি অমা মখাইগী মতুং, ঐগী চৎলমদাইগী অরোইবা নুমিৎ অসিদা খুল অসিগী ইচিন ইনাওশিং, অঙাংনুবী অমদি অহল লমম পুম্নমক উনবা ফংলিবা অʼস ঐগী য়াম্না লাইবক ফবা, খাইদগী নুংঙাইজবা অমনি। অমরোমদা লাইবক থীবা অমনা ... ম কুইনা ময়ামগী সেবা মতোন লোম্না ভৌবা ঙম্নমদ্রে, এবু রারোবীগনু। ঙসি অরোইবা নুমিৎ অসিদা এনা অগানবা খুল অসিদা লাকপা, খুঙ্গাশিংনসু মীতোপ চংবা য়াদে হায়দুনা খিংবা অদুবুসু নিংশিংই। ... তম অদুদা ওইরম্বা ফিবম অদুগা হৌজিক্কা য়েংনবদা খুঙ্গং অসি অসুক্কী মতিক ফগৎলে, মী পুম্নমক অসি অসুক্কী মতিক পুকচেন তিন্নরে

হায়বা অসি খংবা ঙমই। অতুগীস্থ মথক্তা হৌজিককী মতম অসিদদি মী পুম্নমক অমনা অমগী মতেং পাংনজুনা, অরাৎ অপা কয়া মেনশিন্নতুনা চাওখৎপগী খোংথাংদা, অপনবা লেতনগা হোৎনগদবনি। ঐনা অহানবা খুন অসিদা লাকচবা মতমদদি নিংথিনা চৎনবা লম্বী লৈরমদে, ঈশিংখোং কয়া লান্দুনা, ফী তাখৎতুনা খুল অসি য়ৌনবা য়ানা লাক্লমই। অতুবু ঙসি ঐনা হনখিবা মতমদদি ইঙা থাগী নোংখোং লুমলবা নোংচৌ মরক অসিদা মফম অসিদগী ইলাই লাইনা গাড়ী তোংদুনা হনখিবা ফংগদৌরি। অতুগীস্থ মথক্তা খুল অসিগা ইমা-ইবেল, নুপী অঙাংশংনা অমম-অথেং কয়া নোংজু নোংশা কয়াদস্থ চিংনবা লেতনা চৎনহৌরগনি, খল্লুবদা ঐগী নুংঙাইবগী ঙমখে লেখিদ্রে। অতুগা ঐনা অরোইবদা হায় জনিংবদি করিস্থ লেতবা ঐনা খুল অসিবু শেম্বা ঙম্বা নত্তে, খুল অসিগী ইপা-ইপল, ইচিন ইনাওশংনা পুকচেন খোইজেন তিন্ননা, লিংজেন মান্ননা নোম্বদগী, ঙসি অনৌবা থৌরাং কয়া চাওখৎপগী খুদম কয়া অসি খুল অসিদা উবা ফংলিবনি। মতুং অসিদস্থ খুরা থোক্লেন্না তাক পখিবগুম্মদনা, ময়ামগী শাক্তনা তৌবা ঙমদবা লৈতে, পুকচেন মান্নবা, লিংজেন মান্নবনা, অনৌবা থৌরাং কয়াগী পাংথোক্লব মন্ত্রনি। হোৎনবগা মথা পোনবা তাইবং অসিদা, মতমগী খোংচৎকী ঈচেন্দা চহি খুদিংগী অনৌবা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়া পুথোক্তুনা লোইবা চীংয়া ঙাম্নিবী, মৈতৈ লৈমগী চিদায়লম, পলেম খুঞ্জাও অসি চাওখৎপগী ঙমখে যৌহনবীয়ু মী পুম্নমক্কী য়েংনফম ওইহনবীয়ু। মসিনা ঐগী অরোইবা প্রার্থনানি। অতুগা এদি চৎপা তারবনি হয়েংদগীদি ময়ামগা উনবা ফংলরোইদবনি। অতুগা ঐগী নুংশিববা ছাত্রশিং অমদি খুঞ্জা পুম্নমক ঐনা মতম খরদং লৈরম্বা অসিদা খুল অসিদা

ঐনা লানথিবা, অকায়বা কয়া য়াওখিবা লৈরবসু রাখল লৈত্রিবা অঙাংগুম্না থনবীদুনা অরানবা কোঙ্গায় ঙাকপিয়ু হায়না হন্না হন্না নিংশিংজরি।

(মতম অসিদা কামু যাত্রা ইকাই ংংশি য়ায়না মাইথেং লাংশিন্না লৈ পরেং অমা পাইগনা চংনিংলেম্বীগা লোইননা চংনিংনা মাং থাংনা চংলকই। রাজেন মাইক্রোফোন মনাক্তগী মুন্না থেংলকই, চংনিংনা ওঝা রাজেনবু কৌরকই)

চংনিং—ওঝা রাজেন !

(চংনিংনা হরাও হবাওনা কৌরকপা অডগা রাজেনা চংনিং অমসুং কামু যাত্রাগী মনাক্তা হরাও হরাও চিংশল্লকই, কামুনা হরাওনা লৈপবেং অদু রাজেনগী ভকশমদা হুগ্রমই অডগা চেংন কোন্নমই)

কামু যাত্রা—রাজেন ! ঐবু রারোগনুকো। নংগী নফমদা ঐনা কয়া লানখ্রে, অকাইবা কয়া চৎখ্রে, লবাইদা পোকপা অপংবনি খন্দুনা ঐবু ঙাকপিয়ু। (চেংন কোন্নখি)

রাজেন—ঐ করিসু শাওদে, করিমতা রারোদে মকপ ! ঐগী ভসি অরোইবা নুমিৎ চৎলমদাই অসিদা অকনবা, থৌনাফবা নংবু য়েক্লবা ওইনা থনম্লগা চৎলগদ্রা খল্লুবদা থম্মোই অসি য়াম্না রারমই য়াম্না চিংনরমই অদুবু ভসিদি চিংনবা অদু কোক্রে। ঐগী নুংঙাইবগী ৬মখৈ লৈত্রে মকপ !

কামু যাত্রা—অদুবু রাজেন ! ঐনা নিংভমহৌরোইদবদি, ঐনা নংগী নকোক থুগাইখি। নংগী নমাইদা দাগ থমদ্রেনে মরুপ ! পুন্সি অসিমগী এগী থম্মোইদা দাগ ওইহৌবা তারে।

(থবাগ নুংঙাইতনা কপই)

রাজেন—মসি ঐগী য়াম্না নুংঙাইবনি, লাইবক ফবনি। ইম্ফাল য়ৌরগা ঐনা মসি নুমিৎ খুদিংগী মিংসেন্দা হেক হেক উবদা

পুন্সিগী য়াশক কয়া পাংথোকখিবদা চান্নবা মরুপকী খুদম, সুংশিনরবা মরুপ-মপাং কয়াবু তত্তনা নিংশিংনবা খুদম্নি।

কামু যাত্র'—(ইমা হৌরবা মিৎনা য়ুম্না য়েংলম্লগা) রাজেন! (চেংনা কোর্মথ)

[থাংমৈ মুৎপা]

৮শুবা উংপা

খুঙ্গংগী লম্বী

সুমিদরাইরম

সুমিৎনা চীংয়া ভম্লক্লে, ইংগা থাগী নোংহৌ মরক্তা সুমিৎকী মশেক্লা থৈবদা, চাংজ্রানবা ফীজোনগুম মালেমগী মচু হোংলক্লে, লৈরি তম্না সুংশিংনা কাইদ লোইরোই শিৎতুনা হৈনম-লৈনম খোমতুনা মপুগী থোগন তৌরক্লি মতম অসিদা ছাত্র ছাত্রী খুঙ্গা কয়ামক্লা শাজোগা লোইননা ওঝা রাজেনবু থিন্দোরক্লি।

শম্ভবা—ওঝা! ঙসিদগী হে য়তুনা ঐখোইগা কায়নবা হায়বতু ওইরেদকো ওঝা!

রাজেন—মতমগা খোংচৎনি শম্ভবা! অমুক উম্নবা অমুক কাইনবা ঈশ্বর মানা শিল্লিবনি।

থোংলেন—ইবুঙো! নংনা থনম্বা, নংনা শেম্লম্বা খুৎফম ময়াম অসি উরগা নংবু করম কাওগদগে? নংগী তৌবীমলদি খুঙ্গা ঐখোয়না তোলহৌরেদকো।

রাজেন—কল্লিগী তোল্লুগদগে খুরা! ঐগী নুংঙাইবগী ওমথৈ লৈত্রে, ঙসি ঐমা মহোশা লেরমদবা, এগী পুন্সিগী রাশক্কা লোইননা শেম্লম্বা, পলেম খুলগী শোরোক অসিদা ইঙাগী নোংহৌ মরক অসিদা ইরা রাদনা হনবা ফংলিবা আস, মীওইনা পোকপা কনানা শিরগা স্বর্গগী লম্বী চৎপা অতুদগী হেন্না নুংঙাইজবা অমনি থঞ্জরি।

খুল্লাকপা—রাজেন! চৎলোকো। ইপানা লানবা কোঙ্গাই ঙাকউকো। অহল ওইরবা অফ-ফত্তা রাখল লতবনি থন্দুনা ঐবু ঙাকউকো।

রাজেন—পাবা! নং করি লানগনি, নচানা লানবা ঙাক্কনি। (খুকল্মী)

(পাঠশালা তম্বা অঙাং অমনা চেনশিল্লকহুনা রাজেনগী ফীজ্জি পাইরগা)

অঙাং—ওঝা! নংদি ঐখোইবু্দ তম্বীরমদনা চৎলগেরা? নং অমুক লাক্লরোইদ্রা? (কপই)

রাজেন—নংনা ক্লাস IV কারবা মতমদা ঐ অমুক লাক্কনি, নংবু অমুক তম্বীরগনি। ঙসিদি ঐ য়ুমদা চৎনুখিগে। খুনগী ইপা ইপলশিং ই চন-ইনাওশিং পুন্নমক! এনা বাদায় নিজ্জরি ঐ চৎচরগে। থম্বা! মোনো! নোংডানজাও! মংলেম্বা! Good bye. (মথুং থাঙ্গংলি)

ছাত্রশিং—ওঝা! Good bye. (শাজোগা হেগু সেক তৌনৈ)

(ছাত্র ময়াম্না ওঝা রাজেন্দা লৈ হুকপ্রে, কোন্নহুনা বাদায় তৌনপ্রে, ময়াম পুন্নমক হম্নখ্রে। রাজেন স্যুট কেশ বেডীং পুরগনা চৎপ্রে, হায়না খুন্দোল লোম্নক্লে লোহবী চৌংম্না ম্নোরক্লে মত্তম অসিদা চাইবী পুন্সিগী হায়না থুন্দোল লোম্নক্লে ... থবাই ম্নাওনা লেংলবা লৈ পরেং অমা পায়হুনা নুংশা মপি থবেং থবেং হোন্দুনা কম্না তাম্নরক্লি, অরাপ্পদগী কৌরক্লি)

চাইবী—(থবাই শোকনা) রাজেন! ওঝা রাজেন!

মৈতৈ খুঙ্গং

(রাজেন তাহনা চাইবীগী মনাক্তা চংশিল্লকতুনা)

রাজেন—চাইবী ! মং লৈরমখো, ঐ ইমাগী য়াথং লৌরুখিগে অতুগীসু মথক্তা এনা মমাংঙৈদা খুল অসিদা লাকপা মতমদসু খুল অসিদগী করিমতা পুরোই হায়না রাশকলমই। নংনা ঙসিদি ঐগী রাশক অসি ঙাকউ। ঐ শোইদনা নংবু লৌবা অমুক লাক্কনি। নংগী থরাই হকচাং য়াওনা লেংলবা লৈপরেং অসি অসুম্না অ চকপদা লোন্না লোগদবা নত্তে। ঐগী পাখং পুন্সি বসন্তগী অয়ুক্তা মপোক অসিমগী লৈপরেং অসি শিজগে।

লৈপরেং অতুদা লাইবক কাংলমলগা মমাই ওন্দুনা মপোং পুত্তনা চৎখ্রে। চাইবী নিংবা কাইবা, খুমকম থংদবনা তেথক তথকপা মিয়েংদা মিংকী ইরানা থংথিবনা তার তংলবা বানাগুম খোনাওদগী খোঞ্জেন থোকখিদ্রে। হায়না হায়না রাজেন নুজা মিংযেদগী তামখ্রে, নিংবা কাইবগী ইথকনা থম্মোই থমহৎলবী নুজাদা মাগী পুন্সি শোবোক্তা লৈহোরে। তত্তনা শিম্ফ্রিবা মিংলু ইরা মরক্তা লাইবী চাংযারোমদগী মাংলং নুংশিং লোইননা নিংবা কাইবা কনাগী ঈশৈনা চাইবীগী থম্মোইদা তাশোন ওইরে। নুজাগী থম্মোইবু রাজেনগী পুন্সি লম্মেলদা পুথবে, হকচাংতা লৈজহৌই হায়বত্ মঙাইরে রাথলাদ ইনংবে।

ঈশৈ

চিংনা চিংনা য়েংহৌরে নংবু
মিংকী পেগা লোইননা॥
নুংশি মৈচাক কিরবরা ?
নিংহন্নগে থল্লবরা ?
থম্মোই চেকলা নুংশিবা॥ চিংনা চিংনা॥

য়েংউনে শামাই লৈখ্রবা,
নংগী পুন্সি লম্মীসিদা,
লৈকা চোইহৌরে লৈরাংসে। চিংনা চিংনা॥

নুংশি লংলা তংহৈদবা,
পুন্সি লৈরাং পরেংসে,
নশুংলাংগীনি কাওরবরা ? থম্মোই খোইমু ॥
উনা উনা তামখরে,
মিৎলু ইবানা থংখরে,
থাইন মৈচাক মৈখুলক্তা। চিংনা চিংনা ॥

(মিৎলু ঈন্না থিওমদ, নুঙ্গা মৈচাক স্নেংঙমদবনা যৌবন্নিকা ভগ্না ২ হায়ঞ্জিনগ্রে)

[থাংমৈ মুৎপা]

লোইরবা

Printed at the GOVERNMENT PRESS, MANIPUR.